# চিংলগে লৈয়ি অমতং

# চিংলগে
# লৈয়ি
# অমতং


"চিংলগে লৈয়ি অমতং" হায়বা লাইরিক অসি ফোংননবগী মণিপুর সরকারনা ভেংবাংবীরকপগীদমক্সা ইকায়-খুম্নবা উৎচ্ছরি।

পিঃ এসঃ চন্দ্র

হোংজবা—

পি: এন: চন্দ্র

নাওরেমখোং, খুমপাং




কোপী ১০০০,

জুন ১৯৭১

# পোক্লফম লমদম

* * *

ঈমা পোক্লফন লমদম হুংশিবী
তাইবঙ মরুপ থুপ্তুনা ঈংনা চিক্লা লৈম্লিবী
নংগী আমৃত মরিক্লা নচাশিংবু য়োক্লিবী
চায়োক নাওয়োক ফজবী মীহুংশি চাওরবী
চীংলোন মাপন্না কোয়রিগী মণি পরেং শিন্নিবী
অশেংবা ফিজোল শেংলিবী অঙাংবনা মপান চেল্লিবী
লূপাগী তুংবল কয়ানা ঈংনা থোগল তৌরিবী
প্রকৃতিগী লৈরাং খুদিংনা নাপগী লৈতেং ওইন্নিবী
ফুইনা হোরকপা নোংহৌনা অমুবা শল্লাং শেল্লিবী
নোংপোক ভারত লৈমগী মণিগুম লোম্না ঙাল্লিবী
অকনবা নচা পোকলিবী নীংথবী নমোম হৌন্নিবী
যুগ কয়াগী ইতিহাসতা লেঙদ্রবা মমি তারবী
অমম্বা তাইবঙ লম্বীদা খুৎশমহনা পুন্নিবী
হে ঈমা পোক্লফম লমদম হুংশিবী ॥

( ধ্রুবতারা )

# কণ্ণনাগী ইণ্টরনেশনেল টুর

* * *

চান্নবী ঐগী কল্পনা
য়েংউ তুউ,
আদ,—
বণ-বণ খুদিংদা
হৌরিবা লৈপালশিংগী মথক্তা
লৈরাং লৈনম নম্ন নম্নত্থনা
পাইরিবসে বনগী চেক্লাশিংনা।
নংস্থু পাইরু,—
কুঞ্জ কুঞ্জ খুদিংদা
হৌরিবা হৈপাল লৈপালশিংগী মথক্তা
হৈনম লৈনম মল্ল-মল্লত্থনা
মালং শঙম লাংলু !
অমুকস্থু পাইখৎলু খুরদং রাংনা
অহগা উগনি,—
অরাংথংবা অতিয়াদা
ধ্রুবলোকী মথাদা
ধ্রুবতারাগী মরুমদা
অমুবা নোংহো ময়ামগা
নোংজাবীগী কালুপকা
অকনবা লান শোক্লরি'সে !
কুমগী অকন-অথৌনা
সমুদ্রদগী লাক্লগা

ঐলোগি অমত্তং

অকনবা লাম্বা পাথিবা
কনানবু ঙমখিবগে
মুন্না য়েংলকউ চান্নবী!
অহুম্গা কল্পনা
হন্দমুক্তি,—
নৈকোল তন্না পাইথরক্লো,—
নৈন্নাং নৈকা নৈকাদা
নৈহী থকদবগী
খোইমু খোইঙাং খিবিক্লা
পাইরিবলক্তা পাইশিল্লু।
ইকাইথিবী মালিকাদা
খোইমুনা করি হায়খিবা
ওইনচাওবী কেতুকীবু
করম্না পুক্লিং ওলহনখিবা
রাহৈ রাভা কোচি' থাংবী
চিনিচম্প্রা মঙোন্দগী
করম্না নৈহী থকতোকখিবা,—
লোম্না মতৌ য়েংলগা
নাশোল পিক্লা চঙশিন্দুনা
মখোয়গী রারী তারকউ!
অহুগা,
অশোমদা লাপ্পা—
কৌক্রু লাইজ্জি ওইরপ্পা
নৈর্চিল মপৈ মপৈনা
মখুৎ শাংনা তিংথোক্তুনা
থাজগী লম্বী থংলি!
য়েংউ য়েংউ
কৌক্রু চীংগী চীংদোলপক্লা

অতিয়ামক্কা শন্নবা
লৈচিনশিংসে পাইরি চান্নবা,—
ওঃ
মথোয়বু উরগা
ঐদি নীংশিংলক্লেদো।
মহাকবি কলিদাসকী
মেঘদুত কাব্যগী
হুংশিরবা রারীদো।
মশানৌ কায়নরবা যক্ষনা
লৈচিনদা পাওথাখিবগী।
হুংশিরবী কল্পনা
রারোইগনু চান্নবী
নঙোন্দা রারী অন্ত
লীহৌদ্রেকো ঐহাক্না।
নংনা লৈচিনগী মনাক্তা
পাইদ্রিবৈঙগী মমাংদা
রারী অন্ত শমপৎনা
লীবিরগে ঙসিদি।
তাও কল্পনা —
'অন্তুবৈঙগী মতমদা
কায়ন মৈচাক ফংলবা
কু—গী মনাই যক্ষনা
লৈচিন মাবু চিং—ন য়েং
লমদম তামনা লৈহৌরবী
মশানৌগী লক্ষ্মী তাক্তুনা
কায়ন পাওথাং য়ৈখি হায়।”
খঙলেদনা রারীসে
হৌজিক্তি কল্পনা

লৈরিক অমত্তং

লৈচিলগী নাক্তা পাইশিল্লু,—।
লাইবক থীবা ঐগীদি
চান্নবী কনা লৈজদে
লৈচিন্দা পাউঞ্জেনজনবা
নংনা থোইনা খঙলিগনি !
অহুগী শরুক কল্পনা
নংনা অসিহুম য়েংলুচো,—
সমুদ্র ঈপাকথক্তগী
লৈচিন মপৈ মপৈনা
ইনিল ওইনা লাক্লগা
অঙৈংবা চীংশাং নাপোমদা
করম্না নকশিনখিহুনা
নোংজা মরিক ওল্লগা
মালেম থক্তা তারকপা,—
রানা লোবাং শুহুনা
কুমগী নোংবু ঙাইরম্বা
খুঙ্গা' ইপা ইপলগী
কবম্না পুক্লিং পেলহনখিবা !
ফরে কল্পনা
হুন্দমুক্তিনে
লম্হাংগী তিংথৌ মথক্তা
চীংখোং-চীংয়া নকশিন্না
তপলি তপলি চঙশিল্লু,—,
লম্ফেল পাৎকী পাৎয়ায়দা
অহুঙৈদা শাৎলম্বী
লম্ফেল নারা হায়নবী

লাইগী মচা কৌরবী
লম্ফেল লৈরাং লৈহুংশি
লাইবক চাওবী কোম্বীরৈ,—
মীগী মীনিন ভাবদা
অচিকপা মকম থিঙ্গনা
য়ারল পাত্তা লোংথিবা
মতম কুইনগীদমক্তি
মপাম লম্ফেল লমদমদগী
লৈয়াং শামায় লৈথিবা,—
লৈরাং মাগী মতুংলাংগী
থম্মোই নৌবী কল্পনা
নংসু ঙাইহাক কপ্লম্মু !
হুংশিবী !
ওক্রে কপ্পা ভোকলোসে
রা অমমুক হায়রগে,
য়েংউ অসে,—
ইলেক্ট্রিকী মৈঙাম্না
মচু মচু থাল্লিবা
অন্তরজাতিক লমদমগী
অনৌবা যুগকী লম্বীদা
হুংঙাইবা ঈশৈ শক্ত না
নংনা অমুক পাইশিল্ল !
শকহেনবী লীশিং লীশিংনা
নাইট ক্লবকী অহিংদা
বীকিনিবু শেংলগা
জগোই শাবহু য়েংলুচো।

পেরিশক্কী রাংলবা
আইফেল টাউরার মত্তোন্না
নংনা ঙাইহাক লেপ্লগা
উরিৎ শঙ্গু পাইথোরকপগুম,
পাইথোরক্লিবা কারগী
কুম্মৈ অহু য়েংলুচো।
লণ্ডনগী
পার্কয় ছুটতা
শুট শেত্তুনা চৎলিবা
মশা নানবা ভদ্রলোক্কী
রারী অমুক্ক তারুচো!
পুন্নমক অহু য়েংলুরগা
রাজ্জরবী ইশানৌ
তন্না অমুক হল্লকউ
নংগী পোক্লফম লমদমদা।
ঈমা লৈথাক লৈমগী
মমোম লায়রবী কয়ানা
'কোক্তা কোকথোন পুহুনা
মপারী নমদা পোরগা
অন্না কৈথেল মায়কৈ তন্না
তপ্না তপ্না লাকলিবা,—
নোংমগী ফংলকপা শেনদোংনা
মপারী মমোম ময়ামগী
পিক্লবা চাকলেন লাঙথিরা
পোক্লফম মণিপুরগী
লায়রবী ঈমা ঈবেলগী

মতৌ অমুক য়েংলোলাউ !
লোইবী চীংগী চীংচেপ্তা
লাংবন থাগী থায়ায়দা
চীংমী ঈচিল ঈনাওনা
মথুত্তা য়োৎপাক পায়হুনা
পামগী কাংথুল শেম্লিবা,—
উচান পাম্বী' মরুমদা
লোইবী' ঈচন ময়াম্না
পুনরকপা চযোম থোক্ত,না
অরা পোথানা চারিবা,—
অপাকপা উনা কোন্দুনা
লোক্কী ঈশিং থক্লিবা.—
ঈবৈবাক্কী ঈচিল ঈনাওগী
মতৌ অসি যেংনা য়েংনা
ননীং তৌন' পাইবোলাও
পুন্নমক অদো য়েংলূবগা
হুংশিবী ঐগী কল্পনা
নংনা উবকপা খূদিংদো
ঐঙোন্দা অমুক তমলোকো।
নিক্লবা ঐগী ঈখুৎনা
কলম তম্না পায়বগা
অমুকস্থু পুক্লিং হবাওনা
থম্মোয় ঈথক হোৌহন্না
অমুকস্থু থরায় রাজনা
ঈমিৎতা ইপি শিন্থনা
অন্তরজাতিকী মন্থুংদা,

মৈরৈঙি অমভং

মীগা মীগা খেন্নবা
থম্মোয়গা থম্মোয়গা খেন্নবা
লৈকোলগা লৈকোলগা মান্নদবা
ময়াম অহৗ রারীদো
ইথরগে মথং মথং
অমা—!
অনি—!!
অহুম—!!!

( অরুণতারা )



## ঈরৈপাক

* * *

জননী জন্মভূমি
পোক্লফম লমদম ঈমা—
ঈমা নংগী লমনদি
শিংঙমলোইদোরি নচা ঐনা।
ঈমা নংবু হুংশিজবদি
পঞ্জবা ঙমদ্রে লৈয়েংসিনা
হায়রুহুনস্তু পক্লরোই;
কনানস্তু থাজবীরোই।
মীওইবগী মীরোল কয়াদা
হায়নখি মীপুম খুদিংনা—

"ক্বোয়ৌ নোংমদোম্না য়াংবরা
পম্বৌ ঈপানা মহেল্লি ;
মালেম লৈমনা লুম্বরা
অপোক্পী পলেম্না মরাম্মী ;
পলেম পম্বৌনবু হেনবরা
ঈরৈবাক্না মহেল্লী ।"
ঈমা,—
মপোক মপোক খুদিংদা
পোকহনবীয়ুকো নচাখুও
ঈমাগী হুংশিবা তম্পাক্তা ।
তোম্লবা নচা ঐহাকসু
কাউত্রিবনিনে অসিমদি —
খোম্লাং লমন শিংদরি
থৌদাং তোম্লি ঈমাগী ।
নচা ঐগী হায়ববু ঈমা—
ঈমিৎকী পিসি মঙায়রে
চম্লবা থরায়সি মঙায়রে
ভক্তিতনা ঙমথৈ ওইরে ।
থম্মোয় শেংনা কথোক্চরে
লৌশনবীরো থরায় মঙা
শিংঙমদ্রবা ঈমাগী লমন
মসিনবু সকপা য়ারোই ।
পূন্সি চেংজেল লোইদ্রিবৈ
নিজরমগে অসিমতং
পীনবীয়ু পলেমও !
মপোক মপোক খুদিংদা

**মৈমি অমত্তং**

মৈরাং ওইনা শাংলবত্ত
মৈরাং ওইনবু পাল্লবস্মু
চেক্লা ওইনবু পোকখ্রবস্মু —
ইমাগী গুনবু শকচগে
ঈমাগী কোলোয় শোনজগে !
ফিগাও শানা য়াজগে
হাপ্পীয়ুনে পলেমও
নচাগী অরোইবা ভিক্ষাসে ।

—o—

# হীংসাকারী নিতি

* * *

( ১ )

হীংসাকারনা ওৎপদা—

বন্দীগী খোল্লাওনা ঙংলক্লে স্বর্গ-পাটাল অনিদা
লাহ্নোবগী লাল্লাওনা নীল্লক্লে মায়কৈ খুদিংদা
নমখায়রক্লে বন্দী শঙ্ লাউরক্লে হোনা জয়ধ্বনি !

( ২ )

লোৎখরে অহিংসা রাজ—

নীংভম্বগী ফিরাল পাইদ্রে হন্না অতিয়াদা
কনাগী লাম্বল, কনাগী শগোল, কনাগী শাফি-লানফি
ওন্না তিল্লরে ঙসিদি হীংসাকারগী খুবাম্নুংদা !

( ৩ )

খোল্লগদবা অরাবগীদমক—

ভেক-কায়রবা ফুরা-দলান্না প্রতিধ্বনি তৌরক্লি
মৈচাক থাঙলিবা জিবশিং মিপাইনরি মিৎকুপ খুদিং
স্বর্গগী ছুটশিংনা য়েংথরক্লি লৈচিল মরুমদগী !!

---

## মমি

* *

থরাম্নগী মিংশেলদা
ময়েক লানা তারম্ব,—
ঐগী প্রেমগী লুরবা মমি—
অয়ুক্কী শিঙ্গারৈ লৈরাংগুম মোমোন নোক্রম্বা
ঙুমিদাংরাই' ফৌনাগুম মায়থোং মকা লাম্লম্বা
নোংমগী ঈশাদাং লোইরগা চুইশাক্তুংদা ওইরবস্থু
উরম্বদো, নোকমি নোকমিনা, অনৌবা ওইনা,—
চীয়াগী থম্বাল লৈরাংগী
শাৎকায়রবা লৈনাদা,
গির্জ্জাগী শরিক মখোলগী
তান্না লাকপা খোঙ্জেলদা,
যৌবনগী তাংথক্ নাইদ্রবা
হকচাংগী পেম্ন' রাখলদা,
থাঙ্গবাৎ' শিড়ি মনাক্কী
লূবদা [illegible] [illegible]দা,—

লৈন্নি অমতং

মজুদসু লৈরমজ্রে
লোংখ্রে ঙসিদি !
পোদোনগী মঙান্দা উখিবা
রাউরি রাউরিবা শক্তমগুম
থরায়গী মিংশেলদা
থোইনা মমখ্রে, মুশিমুশিখ্রে !

মতম অমদা তারম্মী
ঐগী প্রেমগী শামখ্রবা মমি—
থাজগী অঙৈংবা মঙান্দা ভোর্ব্বানগী লঙোই মথক্তা
কুইরে কাউখ্রে অঙৈ হুংশি মিতন্নকপদা
য়াওরম্মীদো অমুক্ন, নৌরিবী হুজ্জাগী শমজিন্নৈদো।
লমদা থাগী থানিন্দা
শাবী-শানৌগী ঈশৈদো
ঈঙেন থাগী নোংহোদা
অমুবা ফিজং মরুমদা
হাঙলবা পাংকী লাইজদা
থরো থাংজিং হেকপদা
থোইনা হেন্না লারম্মী
তারম্মী তনিক তনিক্না ।

উখিদ্রবা ঐগী প্রেমগী
মোয়োন নোকখিবা মমি—
তারিবরা য়েংলুবা, চৌংগোই তুরেলগী ঈরোন্নংদা
বোকুল পাম্বী মরুমদা; পুখ্রিগী লূরবা লাইজদা ;
অঙুবু তারমদরে অরেম্বনি,—মতম কুইনগীদমক্তি
নিক্লবা পুখ্রীগী লাইজনা ঐগী প্রেমগী মমিন্থ
মুংথংলমলে হন্না হন্না —উখিদ্রে !

অছুবু ঐদি থাজরুদ্রে
ঐগী প্রেমগী উখিদ্রবা
মোমোন নোকপা মমিহুনা
তারমলি ঙসিন্সু নোকমি নোকমি,—
হোসপিটালগী অচিকপা কা'মদা
নাহে নাহেনা থক্লিবা
অনাবগী হিদাক লিক্লিগী
লূয়বা ঈমায় মথক্তা
মরৈবাক্তীদমক থরায় থাবা পাম্মুদনা
বম-ভপ-শঙ্গিনগী
অতুম্বা মতোন খূদিংদা
নোংমৈ পায়হুনা চেনশিল্লিবা
জরানশিংগী অরংবা বেনেট মতোন্দা ।
পুল্লি অমভা ওইবা শকওংদা
ঐগী প্রেমগী কোক্লরোইদবা মমি,—
অচৌ-পিশক নাইরবা সমাজগী মতৌ উরগা
মীৎলুদা ঈয়া শিন্থনা উরি ।
জেলগী অমম্বা কাচিন্দা অরাবা অহিং লেল্লিবা
লাঞ্জব্রবা মীশক্তা শেঞ্জাও পায়বা কাঙবুনা
অয়ানবা শীজিনবিরিবা মহু পুম্বা উরগা
ঐগী প্রেমগী মমিসে মাইথোং লাংশিন্না লেপ্পগুম ভৌরি
পুল্লিগী অওনবা নাইরবা
রাথনগী মিংশেল ময়ায়দা
ময়েক লানা তারিবা
ঐগী প্রেমগী মমিসে
মহৌশাগীহু নৎলমদ্রে !

## নৈগি অমত্তং

মহাক্তি তাগি থোইনা লূনা
চিনবালগী মচু কোক্লমত্রি
উগি কুইরবগী ভুংদা
সেপ্লিষদো মহাক্লা—,
লানগী ঈথেং মরক্তা
হোসপিটালগী ঈগী খূদেংদা
সায়রবগী য়েঙ্খাং তেঙ্গোৎতা
বন্দীগী খজাইদা শিন্থরিবা
পিরাংগী লূরবা ঈচেম্দা
অমদি, —
(ভিক্ষারীগী চকু চবোন্দা ।
কুইনগী ভুংদা অমুক্স, উরে—
মহাক্তি তারী নোকমি নোকমিনা
মমা অসোন্বীন।
শিগ্রবা মচাগী মোংকমদা
থম্মোয় শোক্লা চাইজরিবা
লৈ-চগুন মথক্তা !
ও:
আঁসনিক্কো ঐ
প্রেমগী মমিদো !!

(প্রভুতারা)



# স্মৃত্তী

* *

চৎক্কদবা চৎথ্রনি নংতদি লৈহৌগনি
শরৎ থাগী মালিকা লৈমন চন্দুনা কেনখিনি
য়ারল পাৎকী কোম্বীরৈ লৈকা চোইনা মাঙথিনি
ভাইবঙ অরোৎ-অফোংদা মীওই-পুন্সিসু কেমথিনি
নোক্লা নোক্লা লৈরম্বা কপ্ল কপ্লা হনখিনি !
নংদি ভুমিন য়েংহুনা থৌহু নুংগুম লেপহৌনি !

পুন্সি য়ারী কয়াদি অকাউ-পরৈ চনখিনি
মতমগী মুঙ্গায় পরেংনা লৈরোল নাইনা ননথিনি
শাগৎলম্বা মঙলান-ফুরা উফুল ওইনা মাঙখিনি
লেপত্রবা মতমগী ঈচেন্না অমম্বা ফিজ্জং খনথিনি
ঈচেল মাবু খুৎশম্না নংদি চৎমিন্নহৌনি !

কাউরোইদবা লামায়দা নংবুদি ইশনহৌগনি
মুৎপা লৈরোই কৈদৌহুং থোইনা হেন্না লাগনি
যুগ কয়াগী মিংশেলদা নংদি মমি ভাহৌনি !

---

# মিংচৎ

* *

থম্বাল ! থম্বাল !
লাইজথক্কী থম্বাল !
ঈরোম্মুংদা পোম্লকপী
ইপাল্লাংনা শাৎলকপী

## লৈরি অমতং

কেনা নৌনা শাংলিঙৈ
তাইবঙ থম্মোয শুঙ্কাংখিবী
নিনিতগী নপুন্সিদা
মালং শউম ফংলগা
লৈকা চোইনা কেনখিবী !
কেতুকি কেতুকি !
নারক্কী লৈরাং কেতুকি
নাবক মোংশোং মবক্তা
তিংখং তুম্বৌনা যোমহুনা
তাইবঙ অচৎ অওক্তা
নুংশি' ননম য়েল্লম্বী
নিংঙমদনা কেনখ্রবী !
যৌবন ! যৌবন !
পুন্সি মাগী নিংথৌবেল
শিংলি পাবন খূদিংদা
অপাম নুংশি ঈহৌবক
থম্মোয মকা লাম্লম্বা
পুন্সি মনি ওইবকপদা
করম্নবু মাঙখিবা !
থাবল [illegible] !
[illegible] কী [illegible] !
থাজ [illegible]
ঈনাযথক্কী থ[illegible] !
নমিং মগিং চিনা যেং
[illegible] শাখিবা
কুনগী নো[illegible] লাকপদা

কদাইদবু লোংখিবা।
অরেম্বনি অবেম্বনি !
মৈতান্না রাখৈগ্রবদা
কনানা কনাবু নীংশিংখিনি,—
পুন্সি মানা লৈবিঙৈ
মিংচংকী যুম্বী য়ুংলম্মু
যুগ যুগ খূদিংদা
ওইহৌগমি মতুনা অমৱ !

---

# পোনগী চেক্লা

* * *

মাগী মশাগী
থল্লবা অহেনবা শরুকশিং—
মথুতনা মাগী
পাইনবগী মচাক ওইরম্বা ;
ককথংপিগ্রে ঙসিদি।
মতম কুইনগীদমক,—
মাগী পুন্সি লেনবা তারি
চেৎনা লোনশনগ্রবা পোনগী
মারং মতুংদা।
কুইরে ভাখিদবা
মপাংশিংগী মুংশিরবা ঈশৈ কয়া
কুইবে উখিদবা

বনগী অশংবা উনা-রানা ।
মতম অমদদি,—
মাস্সু পাইজরম্মী চেক্লা অতৈগুম
অশংবা অতিয়া খেৎনা
চাক্তাজরম্মী লোক্লুং-উম্নুংদা ।
শরৎ থাবলগী ঈংলবা অহিংদা
মশানৌ তামগ্রবী অহুগা লোয়ননা
ম্নুংশি-ঈশৈ শকমিন্নখিবা
মহাক হৌজিক্তা নৌনা নীংশিংলি !
মহাক্কী শেংফাত্তবা খোঞ্জেল—
তাইবঙ মীরোল মঙোন্দা তম্বীবম্বনা
হৈত-হৈত মপুদা হায়জ্জে
"ঐবু থাদোকপিয়ু ঐবু থাদোকপিয়ু !"

* * * * *

অহুবু অরেম্বনি
কোরৌ মশীং য়াম্লক্লে
নোংমতস্সু মাবু মনীং তমহনবীক্রে ।
নোংম-নোংমগী মাগী মসাদো
কংশিল্লক্লে শোঞ্জিল্লক্লে ।
অমুকথকতি নোংমগী অয়ুকতা
রাংলবা কৌবুলিয়াগী মশাদা
মানা উম্বি তেনরা শঙ্গু পাইরকপা
মখোয় খুদিংনা অঙাংবা লৈরাং কয়াদগী
হরাও হরাও লৈহী থকখিবা
মহাকস্সু তুমিন্না য়েংজহৌই ।
মমিত্তা মপি তরং তরং শিম্বুরহুনা

চিংলগে

মানা কৌজে মপাংশিংবু
"অখায়ফাওদা চঙশিল্লকউ
কুংশিরবা মরুপশা !"
কনানসু যারক্তে, হায়রম্মী অথাপ্পদগী:—
"মাই ! মাই !! নংদি নখোঙদা য়োঙ্লিং চল্লে
ননাক্তা লাক্লবদি ঐখোয়বুগু ফাখিনি
মাই ! মাই !!"

* * * * *

ঙসিদি মহাক
হন্নুশল্লক্লে—;
মতু-মমান ঈপোল পোল্লে
তশেংনমক মাগী অরোইবা হুমিংত্তো
ঙসিদি থুংলরে।
মাগী মমিং অনিদা, খকপা লৈতনা
মপি মরিক মরিক শিন্থরি।
মহাক্কী অরোইবা
খর হোন্দোকপগা লোয়ননা
মানা নীংশিংলি:—
বনগী অশংবা উনা রানা
থাপ্লা লৈহৌরবী মাগী মশানৌ
মখোয়নিগী মচিন্তনা চেঞ্জহনা শাজবা
মখোয়গী পিক্লবা মহুম
মহুমমহুগী মহুংদা লৈহৌবা
মখোয়গী পিক্লবা মরুমশিং !!

( অনুভা-রানী )

# লৈথিবা

✽ ✽

লৈরাং লৈথিরুগে লৈহী লৈখোম্মুগে
লৈরিক-লৈয়েম্লক্তা লচু লৈথাঁরুগে
কুঞ্জ কুঞ্জদা করম্বা কদমদা
করম্বা কুণ্ডালৈ করম্বা কুশুমলৈ
পোমলিবা শাৎলিবা হাইরিবা হুমলিবা
য়েংলূগে য়েংলূগে চৎলুগে থিরুগে !!
উপাল উনারক্তা উথুমগী উশাদা
উরাং উকোন্না উমুনা উরাউবীনা
মপু মাগী মাঙদ্রবা মিংলেনবু
হন্না হন্না হরাও হরাওনা
খোংলিবা তায়রিবা শকলিবা শোল্লিবা
তারুগেদা তারুগে য়েংলুগেদা য়েংলুগে !
চীংলুং মালুং লোকুং-উলুং—
অচিকপদা অশুকপদা অরাংবদা অনেম্বদা
লৈশক লৈচু লৈনম লৈতাদ্রিবা
শাৎলিগনি শিংঙেল শাৎলিগনি শৎলিগনি !
অপোম্বগীনা অপোম্বা অশাৎপগীনা অশাৎপা
পোমশাৎনবগীনা পোমশাৎনবা,—
শাৎলবীসু শাৎলম্মু শাৎত্রিবীসু শাৎলমথিজু
লৈকোল লৈকোলদা লৈখোঙ লৈখোঙদা
লাক্লগে লাক্লগে চঙলক্কে চঙলক্কে !
কনানো কনানো করম্বা কুঞ্জদনো

ঙাইবীখো ঙাইবীখো ঙাইহাক্তা ঙাইবীখো
লৈরাং লৈচনগে লাক-চবনি লাপ্না
পঙলিবা-নৌরিবা পঙদ্রবা তোল্লবা
ঐবুশু পুবিয়ু ঐবুশু তাকপীয়ু।
নখোয়গী নখোঞ্জেল নখোয়গী নখোঙ্গূল
য়েংলগা উরগা তারগা ফংলগা
লৈত লৈতনা লায়রবগীসু লায়রনা
লায়রবগী কলম চেৎনা প্পায়ত্থনা
তুংইনজগে ঐসু লাপ্না লাপ্না
ঙাইবীখো ঙাইবীখো ঙাইহাক্তা ঙাইবীখো !

---

# নাগীনা কুপ্লবা মোংফম

* *

অচৌবসু অপিকপসু
লায়রবসু ঈনাকখুনবসু
তুংগী মীরোল ঐখোয়নদি নীংনশি—
অমতনি খেন্নবা লৈতবনি !

× × ×

আগ্রাগী তাজমহল
জমুনা মপান্দা—লৈঙোথক্তা !
লেপ্লি ঙসিসু মোংফমথক্তা মদোম

তাইবঙ অচং-অওক্তা লেপ্তনা পাউদমজি
থম্মোয় অনিগী মুংশি-রাঁরী !
অত্থুবুনে,—
স্পেশ ইরাসিদা
মুংশিবগী মগুনবু করিনোনে ?
করিবু তোংজহৌবগে
রারীনবা নত্তনা !
অরাবনি ইশ্ঃ
অরা অনং কয়াগী শিংলি-ঈরী লীশিংদগী
ঈ মরিক মরিক্তনা চুপথোক্তনা শাগ্রবা
মীওৎপা, মুংশিখণ্ড্রবা নিংথৌরেলগী
মুংঙৌতগী মুংশি-খূদোল,—
মসাগীতা য়েংবদা মসামকপু ঙাওগ্রবা
সম্রাট সাহাজাহাণগী প্রেম চিহ্ন'—
তাইবঙ শীগ্না খঙনরি !
অত্থুবু, কনানস্থু খনবিদ্রি
মমতাজ সাহাজাহাণগী মুংশিনবম্বনা
হেল্লব্রা মুংশিনবা খূদিংদগী ?
চঙখি লুপা লাথ কয়া
রাখি মরাল লৈত্রবা মীচম,—
চহী কুন চুপ্নবু, গঙ্গা-গমুনা ঈরোম্নুংদগী
লৌথৎহনখি তাজ'গী মুংঙৌ ।
থরায় অমবু নীংশিংনবগীদমক
থরায় লীশিংবু মুংশিহৈতনা লাক্লখি
অত্থুগা থোক্লকখি লাক্লখিবগী ফল
"তাজমহল !"

হৈশিংলবা শিল্পীগী খুৎয়েক,
য়েংউনে তাজ,—
কয়াদা নীংথিবনো? কয়াদা শুন্ধৎপনো?
মুংশিদ্র? ফজদ্র? শুন্ধৎত্র??
শাথিবনিদো বেগম মমতাজগীদমক
রাথিবনিদো মী লীশিং লীশিং,
রাথল চাউবা সম্রাটকী অনীংবা—
"শেল-থ মস্থু মাঙথিনি, পাঙ্গলস্থু লোইথিনি
নীংশিংবনি অমরনি।"
"অনিশুনা লৈবা য়াদে,—
অসিগুম্না ফজবা অসিগুম্না নিংথিবা সম্রাটকী নত্তুনা
ও: ওষ্টাদ ঈশাগী নীংথিবা খুৎয়েকনি
পৃথিবীগী অঙকপা তরেৎকী অমনি।
অত্থুবু নিংথৌরেল.— তৌগে থনবদা ঙম্বনি,—
মরাল লৈত্রবা ওষ্টাদ ঈশাগী
ককথৎপিখি মখুৎ নামদি
য়েক্লককনি হায়বগীদমক ফজবা মুত্তি
তাজ্জমহলগুম্বা! মন্তুদগীস্থু হেনবা!
ওঃ পাপ চেল্লবা তাজ—নি!!
অহুবু অমতংদিঃ—লেনবা নিংঙাই ওইরি ভারতকী
মী নীশিংগা অরানবা ওইনা.

× × ×

মমতাজ! সম্রাটকী বেগম মমতাজ্জ!
মমতাজস্থু মানি, তুম্পানি; ভারত চম্থুনি।
ফদি ফরানা লোমদুনা নোংমগী চরা তম্নবগীদমক—
অরাবা কোঙ্গায় কাউথোক্তুনা

লৈগ্নি অমতং

সম্রাটকী তাজ' শানবগীদমক
মকোক্তা পোলাং পুম্বনা খোংথাং হাথু থাংখিবী
রাজশ্রবী লাইরবী সম্রাটকী শ্লাথং ইনখিবী
মহাক্কু স্থপীনি ; ভারত-চন্থনি।
ঙ্গেংঙ্ক ভারতকী ঈচিল ঈনাও :—
মাগী মোংফম-অসিদ
ঈহাও হাওই করিস্নু কৈত্তে
মহাক্কী মোংফম অসিদা
কনানস্থ শাবীরমদে
নীংশিং-ফুরা অমতা।
নাপীতনা পূমফুপ ফুপলি
কোজেং হারোগী শামফম ওইরি
মতমগী ঈচেল মতুংইন
কুইনগীদমক কাউবা ওইরি।
অম্বুব্ব হেল্লোই—
নীংশিং-ফুরা লীশিংনা
জুংঙোগী তাজমহল লক্কা লক্কানা
নাপীনা কুপ্লবা মোংফমসিদগী !!



# আশা

✿ ✿

পুদি মানা থমজ্রিঙৈ
আশাগী মল্লোন ফংখিল্লোই

আশা মানা লৈরিবৈ
পুন্সি মাস্থ নোকখিনি ॥
আশাগী হীদেন খোঙহুংদা
লৈগী দোলাই নোম নোম তোং
পুন্সিনা জগোয়' মেন হৌরি।
পুন্সগী হুমিৎনা চায়থ্রগা
থাবলনা থারোৎনথ্রগা;
তঙাং তঙাং শাৎলম্বী
আশাগী লৈরাং লৈহুংশি
থম্মোয়' লাইজ ঈরোম্বং
কনা উদ থঙদনা
লৈকা চোইনা কেনখিনি ॥



# মণ্ডির

* * *

মণ্ডির
ঐগী প্রেমগী মণ্ডির—
ঐগী থরায়গী অরোইবা পিভাফম
ঐগী থম্মোয়গী মণ্ডির!
হুংশি' থুৎশানা—
থম্মোয় শোক্না তম্নবা প্রেমগী পিণ্ড,
মতনগী লাইজ ঈনোৎনা থেংবদা

## লৈই অমত্তং

কুমওন কুমওন থুদিংগী
মচেৎ মচেৎ কিম্বরক্লবা,—
পিক্লবা থংম্মোয় লাইযুমন্থুংদা
ক উদ' দাগফম হক্তনা
মতম কুইনগীদমক্তি
পোলোয়গী মুণ্ডি ওইনা লৈহৌরবা,—
থরায়গী হিঙ্গোল মহুংদা
পামজবা পেক্রুকলৈ লৈরাংনা
চিথেক মরি শম্বল থং—
লৈঙোই লৈচেংঙ মথক্তা
শীগী ইপাল লোক্লিবা
ঐগী প্রেমগী মণ্ডির !!
নীংবা কায়রবা কায়রবীশিংনা
মাগী মাগী মাঙথ্রবা হুংশিবগীদমক
প্রেমগী রঙ্গমঞ্চদা
ঐগুম কপ্পবসু য়াওরিবরা ?
নীংথাযরক্লবা মণ্ডির অসিগী .
চাইনা চাংনা তারিবা
চেক্কশিংবু য়েংজরগা
ঐদি কপ্লি।
মল্লবা চেক মথক্তা
ঙথুৎ নিক্লা চাইথোকচরি
রানা থিঙ্জরকপা
লৈগী থুজোক থর,—
মসিনা ওইরসম্থু
পিক্লবা থম্মোয়গী পিক্লা ভমজবা

প্রেমগী তর্পণ !
ভাইবঙ চিঙ্গাক থাগ্রবী
থন্নায় মঙাগী পুম্নকম ওইরম্বী
মীগী মচা ইবেম্মা !
উবরা য়েংলকউ —
নোংমদোন কোয়ন্নেল থক্তগী :
নং ঐগী
মাগুর অসিগী মহুং
কুমওন কয়াগী মমাং —
থাজন্নম্বদো নংনা নোংমা
পিরুবা বস্তি অমত্তং
নথুংমক্কা চুথৎচরম্বদো—
মুৎপ্রে !
অঙ্গবু — ,
ঐনা ওসি চুথৎলি
মূশি মুশিবা বস্তি অমত্তংদি
নংনা থাল্লম্বা মফম'সিমক্তদা থাল্লি !
কুইনগী লাইমন মথাকসে
মুৎলরোই ইবেম্মা —
থন্নায়গী মল্লবা অলবম মহুংদা
কুইনগীদমাক্ত লোৎতুনা থমহোরে
নংগী প্রভি মুক্তি !
প্রেমগী লাইরেম্মদা
থুকউ থুদক কুন্দুনা
লৈপুনবীযু হায়নবু — ,
কুমজা কয়াগী মমাং

নং ঐ নিমিন্নখিবদো,—অহুঙুম ঃ
নিরি ঐনা ঙসিন্ন
লাইরেম্বী থুন্নাদা
মপোক লাংওন অমদা
মৈলপুনবীরম্মু হায়নবু।
ভথেম্লে নাচোম শীবদা
নোংমা ঐনা নঙোন্দা,
নাপগী শম্নাং পরেংদা
জাতিকুপপী থেৎপদা,
নংনা শোনখিবদো থম্মোয়শোক্লা,—
"মৈল শীবদি থুংনদে !"
ওঃ লুরবা নংগী নমিসে
থম্মোয় লাইয়ুম মথক্তা
চেৎনা চান্না ভারিদো—
মাঙবা নাইবা হুকচাংবু
মৈতান্না রাখৈদ্রিফাওদি
কৈদোন্নুংদা মুৎলরোই !
নংগী ঐগী নুংশিবনা
অশেংবমক্তা ওইরম্লবদি
প্রেমগী লাইরেম্বা মহাক্লা
নংবু নুংঙাইনা থম্বীসনু !
থাসি হায়নখিবদো —
নং ঐনা নো মা,
মৈল-শু মথল মথল
মঙির অসিগী অকোয়বদা ;
নংনা পামঞ্জে হায়খিবদো

ভথেক্লৈ, কবোকলৈ, কুঙো, জাতিকুপগী
থারি ঐনা
অমত্তা চিথদনা।
ঐগী ঈখুৎমক্কা রানা থিরুহনা
থারিবা লৈরাং খরসে;
ইবেম্মা,—
নংনদি উখিদ্রে!
নিতি হুমিৎ থুদিংগী
পিগী লাইজ মরিক্কা
চাইজরি কাংখুল পরেংদা;
মকুম মথা নাইদনা
শাৎহৌরসনু ভাইবউদা
নংগী ঐগী হুংশিবনা
ওইরম্লবদি অশেংবা!

× × ×

ঐগী ইপুন্সিনা
নোংম নোংমগী লোইশিল্লকপগা লোয়ননা
মণ্ডিরগী চেকশিং অসিসু
নোংম নোংমগী কিম্বগ্রগনি!
নংনা পামজরম্বা লৈরাং খর
থারিবসে ঐনা মণ্ডিরগা অকোয়বদা;
শাবী শানোশিংগী লুহোংবগী পরেংদা
লৈচন চানা চনবা য়াবা
কুঙো লৈরাং য়াওরবসু
ঐনা হেকহনখিবা পামজদে!

অঙ্গবু –,
অসিমতংদি ঐনা পামজৈ :—
"নীংবা কায়রবা কায়রবীশিংনা
মাগী মাগী মাঙথ্রবা হুংশিনবগীদমক
থম্মোয় শেংনা লাইরেম্বীগী খুয়াদা
কৎলুনবা লৈচন থিরকপদা
মনীং থুংনা হেকচথিবা !"
ইবেম্মা—
নংনসু মহু পামলোইদ্রা ??



## কুমগী নোং

***

কুমগী নোংনা রা-রা চুরক্লে
থাপনা লাইজ ঈসাওঃখাল তারক্লে—
পুখ্রি পাৎ তু থোং থোংলম
ঈনায় চোম্না চাংজৌ পারক্লে—॥
কুইনা লাইজ ঈনৌ ঙাইরম্বী
ইঙাইথকপী চেক্লা নোঙ্গৌবী—
নোংমদোন তগ্না চিংন য়েং
কুমগী অনৌবা আমৃত য়ারক্লে—॥
শরৎ' থাবল লৈংল্লক্তা লোৎখরে
নোংইন চেক্লা থাপ্পা পাইখরে—

লৈকা চোইরবী থম্বাল লৈরাং
থম্মোয় শোক্লা ঈয়োম্নুংদা লূপখরে — ॥
× × ×          × × ×
হোল্লি লেপ্তুনা নোরেল পায়রম্না
পম্মুং থিরিবা তাইবঙ হীয়োইশিং, —
মকুম মথা লোইরম্না
কুমগী নোংনা হনখিবগুম—
হন্নখিনি ভুমিন মথন মথন্নতা
য়োম্লরকপা চেংঙ্লেল লোইথ্রবদা ॥



# প্রিয়াদা পাউদম

( ঐগী শৈরেং লাইরেম্বীদা )

••••••

বম্ তোপ্ লানগী মৈথু-মৈশা —
শগোল-শামু-শঙ্গিন-সাফি-লানফি
পৃথ্বি চেকখায়গদৌবমখৈ হৌরবা
প্রলয়গী খোল্লাও, —
নত্রগা, —
সমুদ্রগী অ্যার কারকপগী ওংনা লাকপা
ঈশিং ঈথকশিংগী তুম্জুংলবা ঈরাওথোল, —
মরুভুমিগী লৈঙোইথক্তা শিৎপা অশাবা মুংশিং
মৈগী চীং পোকখায়বগী ঙাংশং ঙাংনা ইক্লবা

লৈমি অমভং

লৈমুংদগী কামথোক্লকপা নুংকুপ-নুংজাও,—
নত্রগা,—
অহিং চৎপা ভুট প্রেতকী অকিবা শকফম,
লানগী ময়ায়দা মশম-মনা ইফা ফানা চেনবী
ভৈরবীগী শক্তম লোরবী মায়াবী,—
শাহিং চাবা শা কৈগী কিরবা থোঞ্জেল
— মতুপুম্বা ঐনা কিরুবা লৈতে
ঐনা কিজবদিনে প্রিয়া,—
নংগা কায়নবত্তনি !!

পুর্নিমা থাজগী ঈংলবা মায়থোং,
চীংয়া লৈহাও-লৈরেনগী নীংথিজবা লৈনা,
বনগী মথা ঙাংবা উচেক্কী উনারক্তা থাপ্লবা অশংবা মশা,
বসন্ত নিংথৌগী মচু মচুনা থল্লবা তাউজিং হৈরাং,
থাবল মঙালদা উথিবা তাজগী ফজবা মুত্তি,—
নত্রগা,—
বসন্ত-রাসকী হুমিদাংদা গোপ-গোপীগী জগোই,
লতাকুঞ্জগী হৈনৌ মখোংদা শাথিবা রাহোংগী জগোই,
হুংদাংরাই' মালং' ঈথকশিংদা ফোনাগী নীংথিবা জগোই,—
নত্রগা,
নৌদ-নৌবী গুলাপ-লৈগী হাইদোক্লিবা অনিশুবা লৈনা
অয়ুক্কী জাতিকুপপীগী শাৎকায়বদা ঙায়রিবা মায়থোং,—
— মতুপুম্বা য়েংনিংলুদে ঐনা
ঐনা য়েংজনিংবদিনে প্রিয়া,—
নংগী শুক্মৎলবা মায়থোংত্তনি !!

অথেঙবা অহিং তাংলোদা চীংয়াগী অচিক্কপা নাপোমদা
'ভাম ভাম' থোংলিবা তাম্নাগী ঈশৈ থাপ্পা লাকপা,—

হুমিদাংগী অথেঙবা য়ুথক্তা লোইবী' চহুরা ময়ামগী
থাপনা তাবা ফৌশু-ঈশৈ,—
নত্রগা,—
মমাওইবী কয়ানা মপারী-মমোম শুম্বদা
তপ্পা তপ্পা ঙংথিবা হরি-হয়ুম নাউথেমথিবা,—
নোংঙাল্লমদাই' মতমদা থাল-আরতি কৎপগী
তপ্লি তপ্লি থিঙ্লকপা হুংশিরবা কাংশি মথোল,—
নত্রগা,—
হুংশি মাগী মগুংলাং' চেক্লা ওইনা লাংওনথ্রবা
উশা অমদগী উশা অমদা কোয়না কোয়না পাইহুনা
পোথাববু লৈতনা "পিথাদোই পিথাদোই"
চাক্লা চাক্লা খোংলিবা,—
নত্রগা,—
ব্রজবৃন্দাবন্দুদা নীংথিরবা কুঞ্জ মহুংদা
ঈবুংঙো শ্যামকহ্নাইনা মুরুলি বাঁশী পায়হুনা
"রাধা রাধা" খোংলিবা,—

-মতুফাওবা তানিংলুদে ঐনা
ঐনা তাক্লনিংবদিনে প্রিয়া
নংগী মিরবা খোঞ্জেলতুতনি !!

প্রিয়া,—
ঈনাক্তা নংনা ফমহুনা লেঙদমা লৈরবদা
ঐনা শক্লনি ঐগী কবিতাগী ঈশৈ ;
মালেমগী লাইবক্তা বসন্ত নিংথৌনা লৈগী শিন্দুর চাইথায়বগুম
ঐনা চাইথোকনি ঐগী কবিতাগী হুংশিরবা কস্তরি মনম,—
ঐগী ছগুগী ঈপোম নাইরবা ঈথকশিংদা
নংনা শায়বদি হয়াওনা নংগী প্রেমগী জগোই

ঐনস্নু শাগনি নতুং ইন্দুনা ঐগী কলমগী জগোই,—
নংগী য়ায়-য়ায় তাবা শয়্লাংগী হুংশিবা চেংহি' মনমদা
শুক্ষৎকনি ঐনা—মঙ্গভনা পেনগনি পুক্লিং,—
—অসিতনিনে প্রিয়া
ঐনা পায়মবদি !!



# 'নং+ঐ'

( ঈশ্বরদা )



নংদি থরায়নি—ঐদি হকচাংনি
নংদি অতিয়ানি—ঐদি চুমথাঙনি
নংদি লম্বীনি—ঐদি উফুলনি !
নংদি,—য়াংনা লৈগ্রবা চীংগী চীংদোল্লি
ঐদি,—অনেম্বদা চেনবা ঈচেল মচানি।
নংদি,—ঈমায় চোনবা গঙ্গাগী মায়থোঙনি
ঐদি,—নঙোন্দা তিঞ্জবা জমুনাগী ইরৈনি।
নংদি,—য়াংনা হোবা বনগী উপালনি
ঐদি,—নেম্না শাৎচবা লোকথাগী উরীনি।
নংদি,—মচুনা থল্লবা বসন্ত নিংথৌনি
ঐদি,—নরুম থুপ্না খোংজবা চেক্লানি।
নংদি,—যুগ কয়াগী মুত্রবা ময়েক্লি
ঐদি,—কনানস্নু উদ্রবা কুপ্লবা বিন্দুনি।

নংদি,—থোঙ্গাল কয়াগী লংলবা মৈরানি
ঐদি,—মুশি মুশিবা নোংজুগী থাওমৈনি।
নংদি,—অহানবা কোরৌগী মেঙলবা মঙাল্লি
ঐদি,—নঙালদা শাৎচবা ভোল্লবা থম্বালনি।
নংদি—ফুইনা হৌরকপা ইভেনগী নোংজানি
ঐদি,—ঈথৌ লাংলবী নোঙ্গৌবী মহাকনি।
নংদি—ফজবা লৈকোলগী লৈভেংল' লম্বীনি
ঐদি,—লৈখা তারবা খুয়াগী উফুলনি।
নংদি,—তরু-তরুবা শংবাম্নবা অতিয়ানি
ঐদি,—নরুমদা থোকচবা মচু তরেৎকী চুমথাঙনি।
নংদি থরায়নি — ঐদি হকচাংনি
নংদি অতিয়ানি—ঐদি চুমথাঙনি
নংদি লম্বীনি — ঐদি উফুলনি !



# 'পুন্সি লানফম'

* *

তাও তাও !
তাইবঙ লানফম ময়ায়দা লাঙ্গংলকপা লাম্নীশা
তাজিনলক্তা মৈরক্তা চঙগদবনি চঙশিল্লু
লায়রেকন্নু লাম্নীশা লানগী লাল্লাউ লাউখৎলু
শাপোৎ-লানপোৎ থৌরাং তৌ, বাজায়-বেঙ্গুল থোঙ্গৎলু
ফিরাল পায়বা থোঙমীশা ফিরাল রাংনা পাইহল্লু !!

\+ \+ \+

চেকশিল্লু লান্মীশা !
মাংদা থোমজিল্লক্লিবা মশীং থীঙমদরবা
য়েক্ক' লান্মী মপৈসে খোঙয়াঙলবা ভেঙ্গোলনি
হৌখিবা লাঞ্জাও কয়াদা লনেঙমখিবা মথোয়নি
লুচিংলকপা মমিংনা "অপাম্বা" হায়না কৌবনি
লানগী লাম্হোং শীনবদা লাল্লোং হৈবনি
তরাই তগোক্কনুকো মায়থিহনসি "অপাম্বা" !!

× × × × × ×

নীংহন্নগনু !
হন্দমুক্তি লান্মীশা অনৌবা তেঙ্গোল থুংলবে
নোংচুপ হারম পাংবদা য়েংউ লান্মী য়োঁরক্লে
"অশাওবা" কৌবা মন্ত্রীনা লানগী লাম্হোং শীল্লক্লি
শগোল শামু পুন্থনা গুরুং গুরুং চেল্লক্লি
লম্বী লমজ্ঞাও অচৌবা উঁফুলনা রাগ্না হৌরক্লি ;
তাইবঙ লানগী লাম্হৌবা সেনাপতি "অঙ্গংবা"
তেনগী তেঙ্গা থোঙ্গংলো লীরুং লীরি চনশিল্লো
অচম্বা মন্ত্রী নত্তেকো লায়না ফাবা ঙমলোইকো !!

× × × × × ×

এঃ মিৎকুশ নাঙ্ম শিংউহায় !
অরাংথংবা মায়কৈদা "কল্লকপা" কৌবা নিংথৌনা
অঙাংব' ফিরাল রাংনা পায় ভেঙ্গোল তকথায়রক্লেনা
অনৌবা থৌনা হাপকৎলু থাঙগী জগোই শাগৎলু
লৌশিং চাওবা নিংথৌনি মাঙজোননা চেকশিল্লো !!

× × × ×

ভেঙ্গোল অহম লোইথরে !
ঙাইহাক শরুক অসিদি শাপোৎ লানপোৎ শেমগৎলু

হন্দমুক লুচিংলকপদি "মিহোবা" কৌবা অথৌবনি
থাংগী-ভাগী লানফমদা মপা লৈভনা হৈবনি
মশা-মউ থিঙবনি মিৎলৈ-নারৈ শিংবনি
হায়না হায়না য়োরক্লে খুৎলায় পায়রো লান্মীশা !!
ভেঙ্গোল মরি লোইখরে !
ভারো ভরো লান্মীশা ! মুম্না তাওকো খোঙমীশা !
মাংগী লৈকোম্নুংসিদা লান্মী তেঙ্গোল অমা লৈ
হৌখিবা তেঙ্গোল খূদিংদগী মসিনা ঈহেন হেনবনি
নিংথৌমচা 'কাম' না মখোয়গী সেনাপতিনি
ভেঙ্গোলসিবু ঙম্ল'দি ঙসিগী লান লোইর'নি
ভাইবঙ লান্মী ঐখোয়সে ঈংনা পানবা য়াবনি ।
য়েংউ ! লায়রেক্কনু !! তগোক ভরাইগনু !!
অঙৌবা শগোল তোংহনা নঙ্গন্দা তেন্দোং য়ান্দুনা
লান্দারক্লে ফূজিল্লক্লে চেনশিল্লক্লে 'কাম' না, —
ওহঃ অরাবনিঃ
মাঙ থানা চঙখিবা লাঙংখিবা লান্মী খর
'কাম' গী তেন্না পানখরে লৈমায়থক্তা তাথরে —;
মমৈ খোম্বা লাণ্মীশা শগোল শামু পুরকউ
'কাম' বু ফাসি খল্ল'দি মায়কৈ মরি কোয়শিল্লু !
জুংভাইরে ! পেল্লে !!
'ব্রহ্মচারী' মন্ত্রিনা 'কাম'গী মকোক ককখরে
ভাইবঙ লানগী লাম্হৌবা লানঙমলবা লাম্মীশা
লাউথৎনু জয়ধবনি !!
হৌনা নিন্না লাউথৎলু অতিয়া শীন্না নিলহল্লু !
বাঝায়-বেঙ্গুন খোঙ্গৎলু শংখ খোজেল তাহল্লু !!
হৌজিক্কি —,

ভাইবঙ লাইরেম্বী ঈমাগী খূযাখাদা চঙজসি
থৎকা থুৎকা শম্লনা লৈশি লৈথোল্লুরসি !!



নশুংলাংগী –

# চিংলগে লৈয়ি অমতং

( খোর্জ্জে অমগী তেংথাখোল )

***

চিংলগে লৈয়ি অমতং
থঞ্জরম্মী পিক্লবা ইবুকন্নুংদা !

× × ×

নোংলৈ নুংশিৎকী রু রু, লাউবা শউনলক্তা
পাইজরম্মী রাংনা চেক্লা 'চা অমা---
খঙজ'দ্রে মাদি,— খুদোংথিবা মওংন্থ
উজাও কয়ানা ৎেক্রকপগী প্রোক-প্রোক লাউবা মখোলন্থ
তাখিদ্রি নোংমতম্ম।
কল্লক-থম্বন,— তাইবঙ মীওইবগী
তাপ-অম্লতাপ,— প্রেমিক-প্রেমিকাগী
অতেক-অকায়,— রাথল মপৈ মপৈগী
অশাংবা-অশংবা,— মচু-মচুগী
মথল-মথল,— চায়থবক্লবা সমাজগী ;
লৈরম্মীনে লৈপুংদো চাউনা থোন্দুনা
কুনশু া শতাব্দীগী স্যায়চনবা মিৎয়েংদা
মচ্ছনস্থ হম্ববা নক্তে,— পুক্লিংদি ॥

চিংলগে লৈয়ি অমতং
থঞ্জরম্মী পিল্লবা ঈবুকহ্নুংদা
নমলগে বিন্দু অমতং
নীংজ্জরম্মী নেম্লবা থম্মোয়হ্নুংদা—॥
অহুবু,—
নিকইদা নিকইদা ঈথুৎসে
লাইররবী খোর্জ্জেনিদা !

× × ×

চেল্লা 'চাহু পাইরম্মী
র্‌রাংনা অসুম পাইবম্মী,—
নোংলৈ সুংশিৎসু কল্লম্মী
কন্না অসুম হুমলম্মী— ॥
ওহ:
ঐদি মিপাইজৈ
তাল্লবা জিব মচা,—নংসিবু ,
শল্লগদ্র—?
হংখিগদ্র—??



# 'খ্রাইষ্টকী ওল্টারদা'

* * * * * * *

'তামথ্রবী লোইবী' ঈচল—
'ঈচল' হায়না কৌরগেকো !
ঐনা 'ঈচল' কৌবদা
শাউগত্নুকো শাউগনবী !

× × ×

চেংলৌ নংগী উখিদবা
চহি কুমওন য়াম্লক্লে
কাইন-ফিজং মরুমদা লেপ্‌
থম্মোয়নদি নংবু কৌরি !

× × ×

পোক্লমলবদি নং-ঐ
ঈচিল-ঈপু্‌না ওইনবু
ঐনা হুংশিনা কৌবসে
খুমলমগনিংকা হরাওনা !

× × ×

হুংশি থুংশা তরাবা
হাপখিদদো লৈরাং অম —
কোরৌ শীংবুম কয়াগী মমাং
অতুঙৈদা ঐহাক্না ,
লৈরাং লৈরন চনথ্রবরা
শীংজেল লৈশক মাংথ্রবরা
পানজ্রবা শীংজেল লৈকাদ

ম্রয়েক অমতং ইথিবা
মতমগী উফুল মথক্তা
লৈকা চোইনা তাহনথ্রবরা ?

× × ×

মৈরিতবু থিজবনা
মৈরানবীগী মথৌনি,
থাজতবু য়েংজবদা
মচিঞ্জাক থিবা কাউথ্রবা
য়াঙ্গংলবা নোংইম্না
কুমগী নোংবু উবদা
মপি শিম্থ শিন্থনা
তাইবঙ মপু মঙোন্দা
তজ্জনা ব্রাকৎচখিবা
কনানা তাবিথিবা যাওবগে ?

× × ×

মঙলম্মীদো থন্নাযনা
নংগী মঙলান ময়ামসে :—

X X X

'বারুনীগী হুমিত্তা
শাবী-শানৌ কয়ানা
শিব'-মণ্ডির চৎপদা—;
লোইবী' ঈচল নহাক্না
পুংঙৌ কনেক শেংলগা
ইম্নকিবু ইন্দুনা
খৌরম্বা নংগী লাইবক্তা
চগুণ পাক্না থিল্লগা :

অঙস্বা চীংগী লম্বীদা
হুজ্জা খূদাং পায়ম্ভুনা
চিংখৎপিগনি খল্লম্মী !

X X X

ওহ. কাউট্রি ঐদি ঙসিস্থু
নোংমা নংনা হায়খিবা :—
"থাজদে থাজদে
হন্দক্কী মপোক অসিদা
নংগী ঐগী লৈপুনদি
থ্রাইষ্ট মানা য়াবিদে !"

X X X

মেবা থাগী থাবন্দা
লুশাই চীগী চীংথক্তা
পাখং লৈশা মযামগা
ফৌশু ঈশৈ শকপদা,
ফৌশুবনা য়ার' কাল
ফিজিনা হুমাং তৈথোক্তনা
নংনা গুাইহাক ফমজিঙৈ—;
তাখিদবা খোংখিবদো
অরাপ্পা চীংযা নাপোমদা
নাইতোম তাবা চেক্লানা
ফূইনা ফূইনা তথক্লা !

X X X

সমাজগী পল ঐনা কিদে,
ধর্ম্মগী রাবী ঐনা তানিংদে,
জাতি-বর্ণ-ধর্ম্ম-সমাজনা

যুগ-যুগ কয়াদগী
স্নুংশিবগী উইরবা থৌরীবু
থদংপা ঙমখিদে,—ঙমখিদে !

X X X

খ্রাইষ্টকী ওন্টার মথক্তা
লৈ চন্নুন থল্লগা,
খৃষ্টমাসকী অয়ুক্তা
জাৎ তিম্নদবা ঐনা
জাৎ তিম্নদবী নংগীদমক
অমত্তা ওইবা ঈশ্বরগী মফমদা
ঈখুৎ লোম্নহুনা রাকৎচখি—,
অহু থগুলে :—স্নুংশিবা মগুনি !

× × ×

)ওঃ পুন্সিগী লৈয়ি পরেংলক্তা
চিংখিবা লৈয়ি মতেক অমা
হুম্না হুম্না চামহুনস্থ
মিৎকী পি মরিক্কা
ঙমজেদো ঐদি মুৎথৎপা !

× × ×

লুশাইগী চীংচেপ্তা শাৎলকপী
নুঙ্গায়রক্কী লৈবাকলৈ
পামজবা পাখং নাপদা
চিনগে থন' ফংখিদবা
কল্লকই—কল্লকই !

+ + +

লোইবী চীংগী চীংচেপ্তা

লোক্কী লাইজ ঈপাল লাং
শাৎলুরো শীঙেল মুংশিবী
ঈপোক মপোক তিম্নদে !

× × ×

নংগা ঐগা জাৎ তিম্নদবনা
নংনস্থু ধর্ম্মবু কিজবনা,
মুংশিত্থনস্থু ঐনা থোইনা
মপোক লাংওদ অসিমগীদি
নংগী মুংশি পোৎলুম পুত্থনা
লেহ্লোরবনিদো ঐদি !

× × ×

হয়েংমুক্কী মপোক্তা
নংগী ঐগী থরাম্বনা
চেক্লা ওইনা পোক্লগা
অপাম্বা উশা খন্দুনা
তোংমিন্নশিকো চান্নবী !
লৈরাং ওইনা শাৎলবস্থু
কনা' উদবা মফমদা
নারক-উরক মরক্তা
শীংঙেল লৈখোক অমদা
শাৎমিন্নশিকো মুংশিবী !

× × ×

সমাজগী পনবু থিংজ্রবা
জাতি-বিজাতি খায়জ্রবা
লৈকাই মীনোক লৈজ্রবা
থল্লায়গী লমদম অত্থদা

থম্মোয়গী মপাও ভন্নসি

± × ×

থন্নায় অমনা লানখিবা

থন্নায় অমনা ঙাক্লসি

মপুগী মিংবু শোন্দুনা

"পেন্না পেন্না কপলুসি—!!



# প্রার্থনা

* *

নংবু ঙাইজবদা—
কাউরুরবনি হৌগ্রবা ইপুন্সি;
নোংদম থিবনি মর্থঙ্ক
নংগী কোলোয় শোঞ্জবদা
কোরৌ শিংবুম কয়া,মস্থ খঙহৌদনা লোইগ্রবনি!
নগুন্তবু ভাবদা চোকথরবা হকচাংনা
থিরুরবনি তোর্ব্বান কয়া শিংনা
কয়া অমস্থ কপ্তুনা, পুন্নমক অরেম্বা ওইগ্রবনি!
থুমিদাংরাই শনগানরকপ মতমদা
লৌবুক্কী ফৌনানা ঈশৈ শকপদা,
নংগী নপাউবু হংজরুব—লমচংপা চেক্লা শঙ্গ্দা;—
"ভাকপীরম্মী নংদি,—লৌরাংগুবলক্তা য়াওহৌই

পামেল শীংজা থিবলক্তা লৈহৌই !"
নোংমনা লাউরম্মীদো —
অহিংগী খোইমু লমলানবনা : —
"নংদি লৈহৌই সেগাযরবা থাংপোকহুংদা
লাইরবী লুখ্রাবীগী চাকলেন য়াওহৌই !"

× × ×

নংবু থিজবনা নংবু ফংণ্ডমদে
রাজরবা ইপুন্সি কেমথ্রসম্নু ঙাইজবদা
তাইবঙদা ফংজ্রবসু শোঞ্জবসিতনা পেঞ্জরগে।
নংগী কোলোয়তবু শোঞ্জবা ঙম্বা
পীনবীয়ুনে থৌনাদি হে দীনবন্ধু !



## অচিকপা

* * *

**O Solitude !**
**Where are thy Charms !**

× × ×

হে নিদ্রারাণী ! ঐবু শুম্বিখিজু —
য়েংজখিগে অহিংসিদা ঙসিগী ভশীর !
অচিকপগী মতমবাক থম্মোয়' লৈচল নীখায়বা
তাওথগ্রবা লৈনাদা হজল হজন য়েংউবা

লেমহোরবা ম্রিৎকী লাইজ থরায় পেন্না চাইজবা
অসিত্তনি রানী, ঐগী ঈথৌ !
হে লাইরেম্বী ! নংগী অঙ্গংবা দৃশ্যসে
ঐগী তোল্লবা কলম্না করম্নবু থারসিগে ?
চাউরবা তাইবঙগী লোই'নাইদ্রবা রারীশিংদগী
ঐগী ঈমিৎনা উহৌবা খরদং
মংগী নমাংদা মিৎকুপ অমতং নীংশিংলি :—
থাবন্না ফরক্লগা লৈ-শুনা শাৎলক্লগা
ঈয়ায়গী থরোনা তুমিন্না নোক্লগা
নংগী ফিজংন্নুংদা লৈরিবা তাইবঙসু
নিংথমগী উনাগুম লেঙদনা তারি !
লেপ্তুনা তারম্বা মীকপ-মীরাউ
মচা কায়নরবী মমাগী ছিক্লবা থোম্বাং
কদাইদা লৈগ্রে কদায়দা লোৎখরে—
ওঃ পুমনমক নংগী নরুমদা তুমগ্রে !
নংনা তেংবাংহৃনা ঙসি ঐঙোন্দা
কুইনগী মমাংদা হৌগ্রবা ন্নারী
নীংঙাইদনা চোংথোরক্লে থম্মোয়হুংদগী
লুরবা পীগী মরিক্কা লোয়ননা !
মত্তমদো—
অঙাং নারা ওইরিঙৈ
লম্পাকী নাপীরক্তা কেকু লোৎলিঙৈ
থম্মোয়গী লৈকোন্দা মালতীনা পোম্লিঙৈ
নৌনা পূক্লিংদা মমি তাররি !
কয়া কপখিবা কয়া নোকখিবা,—
সহরগী হুকান্দগী লৈরুবা মার্ব্বল

## লৈশি অমত্তং

কৃষ্ণজন্ম থুদিং য়েংলম্বা বল অকাম্বী
অয়ুকী লিক্লাগুম ভথক্কা মাঙথয়ে !
যৌবনগী ঈহৌরকপা থম্মোয় লাইয়ুম
নীংছু য়ৈবী চাগবী' শমলাং
নাপ অনিদ্দা থেংথিবা ভথেদ্রে নাচোম
ওসিদি ঙমনা হৌনগ্ননা চংগ্রে !
নীংশিংলক্রে, —

মংকী পর্দ্দাব মরুমদা : —
হুংগাই য়াইফ কনানা
মশানৌ মাঙদা থাহনা
শক্ক্যা অওক ঈশৈদা
কেক্ক লো কৗ শাগ্নথি —
কনা অমনা নোকমি নোকমি
নৌনা লৈশাং তমলকপী
নিংঙোল ওইবী চন্থরা —
চো না তাবা শমলাংলক
শমজিয়ে নাচোম থেংজুনা
হুবাও তয়াম চংনথি —!!
কনা অমনা লায়রবী
লোইবী' চন্থরা ওইবীনা
কোরৌ নোংমগী চয়োমপু
মাগী পান্থু চিংনা যেং
উচান পাম্বী' মরূমদা
চোইর শমলাং থোমজিনথি !
অয়ুক য়েন্দা অঙনবা
থূনগী লৌমী কাঙবুমা

চয়ে কিদি কৌনা লেং
লোবুক মায়কৈ পাংমখি।
ওঃ ঐকাইখিবী, নৌনা মখোক কায়কপী
অগোই' থুংলেক্তা খিংপু থকখিবী
ওবাবা চিনথালদা খুংশি যোমোমখিবী
হায়বীথীদো মীনদি অগোইশাবী ওক্তবী
কাউওমদয়ে মহাক ক্ষু, নীংশিংজক্রে।

× × ×

হে নিদ্রারাণী!
নংগী নমাংসিদা হোৎখিবা কয়া নীংশিংবা
খিংকী পি তৈথোক্রে।
চন্দমুক্তি থাম্বীয়ু খিংকী পিন্দু থাম্বীয়ু—
ওসিসিনা হোৎপগা কোয়ো চুমিং অমদা
নিদ্রারাণী নহাক্না মতম চায়ে থমবদা
কোথীয়কউ ঐহাকপু কপাজমগে নজাক্তনা
কায়নরসি ওসিদি।
বিদাই—, নিদ্রারাণী!
বদাই!
বিদাই। বিদাই!!



# নং + ঐ

( ঐগী শৈরেং লাইরেন্বীদা )

০০০

'নং + ঐ'—,
চৎমিন্নমশি কপ্পিন্নশি কপগিন্নশি নোকমিন্নশি
অমাগুবদা অচিকপদা অন্নাংবদা অনেম্বদা।
'নং + ঐ' —, চেনমিন্নশি চোংমিন্নশি
অতোগুবদা অকুৎপদা তোর্ব্বান্দা মোংশোংদা।
'নং + ঐ' পুন্দুনা শকমিন্নশি ঈশৈ
থাবন্দা থানিন্দা অহিংদা নুংথিলদা।
'নং — ঐ' পুন্দুনা হেকমিন্নশি লৈমাং
লৈছোকোন্দা লৈকোন্দা উমংদা রামংদা।
লেংমিন্নশি পয়েং শেম্মিন্নশি নাচোম
কঙ্গবা অথিবা অতেনবা অশাংবা।
ইবানীনা ভুমলিদ্রে অথেঙবা অহিংদা
হান্নবদি নংনা কবিগুম্বা মিৎকপথোকপা
হোয়দ্রু ঐবুঙু কোয়মিন্নশি থাবলদা
ইবানীনা ভুমিদ্রে অম্মিংবা তোর্ব্বান্দা
হান্নবগু ঐনা কবিগুম্বা মিৎকপথোকপা
হোয়কে নংবুসু চৎমিন্নশি লৈচিল্লক্কা!
কুমশী অহানবা লাইঙ্গ ঈনোদা
ঈরুমিন্নশি ইবানা তামিন্নশি নোঙ্গোম্বী ঈশৈ।
চিনিচন্দ্রা' নাপদা থোইয়ুনা চীয়োল তোবদা
'মংমিন্নশি ইবানী কপ্পিন্নশি লৈথোগুদা

'নং+ঐ'—অমম্বদা, 'নং+ঐ—অঙানবদা ;
'নং+ঐ'—কোয়োমাওদা, 'নং+ঐ' থাবল্লক্তা ;
'নং+ঐ'—,
হৈকোন্দা লৈকোন্দা ঈমুংদা মপান্দা ;
'নং+ঐ'—,
লৌবুক্তা লন্সাংদা চীংঙুংদা মাঙুংদা ;
লৈমিন্নশিকো পূল্লিনা লোইরিক্সাওদা !!



# মচু তরেৎকী চ্যুমখাং

●●●●●●

"ইবেম্মা………… !"
তনিক তনিক্লবা থম্মোয়গী
য়ারা খোনফমসে করিগুম্বা
তারম্বা খোল্লবদি নহাকসু ;
নংগীদমক কয়াগী মতিক য়াক্সখিবা
নংগীদমক অচিকপগা মরূপ ওইখিবা
পুন্নমকতু উত্রবসু নোংমা নত্রগা নোংমদি
নিংশিংবিরক্তত্র থল্লুবনি
অছবু মছুদি খোকত্রে…………!
নং তারব্রা য়ারীদো
হিদিজা লোনবগী,—মন্ত্রি অচাগী

আঃ কুইগ্রবা রাজকুমারশিংগী !
"মুনিগী শাপনা শোরায়েলগী অপসরামা
শক্তি ওন্দুনা মৈরঙ্বত্তু,
মৃগয়া লাকপদা রাজকুমারত্তুনা
অচিকপা বনদা থেংনখিবত্তু !
হুংদাং হুংদাংদি শক্তি অত্তুনা
নীংথিরবী কুমারী ওইনা ওল্লবত্তু !
অস্তুমনা চহি কয়া লেনমিল্লরগা
মাগী শাপকী মতমত্তু কোল্লত্তুনা
অপনরাত্তুনা হনগ্রবদা সোরারেলগী মৈবাক্তা,
মরায়বক থীরবা রাজকুমারত্তুদি
কয়াগী মতীক রারমগনি খল্লু ।"
"লমথুনু লাব-অমোম্না অচিকপা চীংঙুং অমদা
ঈশিংচাইবী মনাক্তা মহুম শাহুনা পাজবা,
হুমিদাংরাইগী মতমদা তময়া কোল্লী চেনখদা
অমহিক্তি,—বসন্তগী মতমদা
পামেল' উশা মথক্তা থাবলগী অহিং কয়াদা
হরাওনা চিল্লোল্লত্নুনা হুংশি ঈশৈ শকমিল্লবা !
নোংমগী কোরৌ হুমিত্তা শাদানবগী তেম্মা থাত্নুনা
গর্ভবতী ওইরবী লমথুনু অমোম্না
উশা অমত্তদা তোংমিল্লরম্বদগী
মৈমায়থক্তা তাগ্রবদা—.
লমথুনু লাবা অত্তুনা
মমিত্তা ঈয়া চেন্দুন টিংন টিংন য়েংবদো
কয়াগী মতিক রারমগনি—খল্লু ।"
নংবু হুংশিজবদা কংহৌরবা অনুতাপ,

নংগীদমক্তি থক্সুনা থাওলিবনিদো থম্মোই’ মৈচাক !
নোংমতস্সু মপুংফানা কৌজথিদ্রি নংগী মিং
লাইমন মথাক পুন্থনা হৌগ্রবনি মতমশিং
লাইরকোন্দা চাউরবস্সু হুংশিববু লৌনমজদে
অচৌ কোন্দা পোকপতনা হুংশিবা মশক থঙবা নস্তে
অহিংদা হুংথিলদা থাবলদা থানিন্দা
অমম্বদা অঙামবদা,—
উরিদো শঙশংনা ঐদি ঈমাংদা :
নংগী শক্তম—নংগী নতৌ
নংনা নোকথিবা,—নংনা শাউথিবা
নংনা ঙাংথিবা—নংনা চৈথিদা,—
আঃ অরাবনি, মতুদা ঐগী লাইনিং ওইরুরবনি !
থঙ্গে য়াম্না থম্মোয়দা কাউরগে নংবু কাউরগে
ওঃ কাউঙমদ্রে ; কাউবা য়াররোই !
লাক্লিবা হুমিংশিং
থোরক্লিবা অনৌবা থাবলশিং
শাৎলক্লিবা ভুংগী লৈরাংশিং—,
ঐদি য়েংলি,—ঐদি উরি,—নংস্থু উরিগনি !
অওনবা নাইরবা মতমগী কুমওন্দা
ভাওথগ্রবা কুইনগী হুংশি ৱারী
মতম্না পুথিসন্থু মতম্না মাঙহনথিসন্থু ;
কুইনগী হুংশিবন্থু,
চিত্তাগী মৈথু ওলহনখিসন্থু !
থরায়না হকচাংদা লৈরিব’থৈ
ঐদি শোৎলমগেকো ঈচিল অসিদা ;

মৈম্নী অমত্তং

ঐদি নংবু মুংশিরি,—ঐদি নংবু কাউদম্নি
ইবেম্মা,—করম্নবু কাওবক্লবা !
অদুবু, কুইনগী ভুংদদি খঙহৌরে ঐসু :—
অরেম্বনি প্রেম,—ঙাইহাক উৎলম্লগা মাঙখিবা
মচু তরেৎকী চুমথাংনি !
আঃ চেক্লা পাইখরবনা
পোম্বী হঙ্গল্লকপদা
চেক্লাগী কাইদোংফম খঙত্রহুনা
পোম্বী ককঙাঙনরেদো
শাবী ইনেমচা············ !!



# ঈপাকসিদা

ভগবাণ !
হন্দমুক্তি হিনাউসে হোল্লক্লেদো ঈপাক ভম্না
লুপখিগদরা লুপখিরোইদরা করিবু থোক্লবগবা
রারেদকো থরায়সে খল্লুবদা ঐহাকতি।
নোংচুপ অতিয়া পুম্নম-মন্না লাক্লি নোংহুম মপৈ মপৈ
নোংলী মরী মরীনা পাঙবা ভমদ্রে ঈমিৎসিসু
য়েংথি য়েংথিবা থূদিংদা ঈমিৎকী মিৎলম লীশিংদা
ঈপাক্কী ঈপাক ঈথক্কী ঈথক,—অদুবু ও :
ভামনা ঈপাক রাংমদা উরি মৈঙাল অমদি

খুদাং অসি শিথরক্লে পূক্লিং অসি সোম্বরক্লে
য়োজবা ওমনি থাজত্রে থৌজানবীয়ুনে ভগবাণ ॥
ঈথক্তা শিংপা তুংশিংতা পাইবি থন্নায় থক-থক নীক্লা
ছিগী ছিমায়বু চুমগথরা লাইজ ঈনোংপু ঙাকবরা
লাম্বোক্লসি লানঙমদ হম্দোক্লসি হনঙমদ
কয়াম কুইনা কপচখো হায়রবা ঈপাকসিদা ঐখু ইদোম !



# থোঙদি লোনশিনখ্রে

* *

থোঙদি লোনশিনখ্রে
থাংমৈদু মুৎথৎলমজে
মণিপুরগী ফাংশিদু খিঙখিন্ত্রে
অাই শেবা তৌবদু লৈরমজে !
ঐদি লেপ্লি
থোঙবাদা নপতুনা য়েংলি
লাইলুংদা কনা লৈরিবা
ঐদি থোক্লকপা ঙাইরি !
কোয়ৌ নোংমা চুপ্পবু
ইথুৎনা লৈরাংজরুবা
লৈরাং খুজোক পুক্সরকপা
কদায়,—! কদায়দা কৎকনি
থোঙদি লোনশিনখ্রে !

**লৈশ্রি অমজং**

থোঙ থীন্দুনা কয়া অমা
কৌজরুরে থোঙশঙববু
তাজরি ইনাকোং থাঙ্গৎতুনা
থুম্লক্কবরা করিগুম্বা
নাশোন পীক্লা !
ও ! তাংলো থেঙলে থুন্দুনা
থঙলে ঐবু থৌওইবীদ্রে,
লাঙজরকপা লৈ-শু খরা
পুজরকপা ধুপ-চগুণ
মণ্ডিরগী অকোয়বদা চাইজরগে !
ঐনী পুক্লিংনা পামজবা
ঐগী লৈবাং খুজোকসে
কনানস্থু উবীদ্রবস্থু
নংদি উরনিদো ইবুংঙো !
চরৈ ফিশেং শেৎলক্কে
নহাক্কবু শাউরবরা—
পুজাগী পোৎলম শুরক্কে
নহাক্কবু ব্রারোরবরা—
পাঙজদ্রবা ননাইনি
ঙাকপিয়্দা ইবুংঙো !
নংদি লৈ হায়বদাই
অতোন অতাগী থম্মোয়দা
নংদি চৎলি হায়বদাই
ভক্তশিংগী মনাক্তা !
থঙজরে ইবুংঙো ননাংস্থু
লাপ্লা নংবু থিররোই !

নংদি লেপলিগনি—
ঐগী 'মাঙদা তূমিন্না
তাইবঙ মায়ানা কুপথ্রবা
ঐগী ঈমিৎ অসিনা
নংবু উদবা ওইরিগনি !
ঈমাঙদা নংবু লৈরি মখঞ্জ—
থমজরে নথুয়া থম্বাল-খাদা
কোরৌ নোংমা চুপ্নবু
কোয়চেল চেন্দুনা লাঙজরকপা
পুজাগী হৈ-লৈ থরসে !
থম্মোয় শেংনা পুজরকপনি
লৌশিনবীগে লৌশিনবীয়ু
লৎনবীগে লৎনবীয়ু
লংজরুবা ইরালগী
নংনা চানবীদবা ওইরিগনি !
নংনা চানবীরক্কদবা মতমদু
কয়াম্নবু ব্রাৎলিগবা—
হন্দক' মপোক্তবু ওইরিগদ্র
লাংওন অমদবু ওইরিগদ্র !?



# ঈথৌ

* * *

(১)

কনানা থিংলি ঐগী লম্বীদা
ওসিদি লোইনা লম্ ফাৎকে !
কুইনগী তুংদা লেপথ্রবা থরায়না
জয়গী অরোইবা ফিরাল থেৎকে !
হে ঐগী ভাগ্য বিধাতা
নংনা ওমলে ঐবু থিংউ

(২)

ঐনা শাগে থনবা শঙ্গাই
শনানা ঈঙ্গি শেৎকে !
ঐনা লিঙ্গে থনবা য়ুম্বাল
কুবেরগা লাম্বা পাগে !
ঐগী শিংলিদা মিহুন'মা লৈরিভে
ঐনা ভাইবিরোই বিধাতাগী নোংদম !

(৩)

ঊইল কনবা নিপা হুপীনা
লৈখিদে হৈবোং মথাদা হিপ্তুনা !
পিক্তগী পিক্রবা জিব মচাসু
চেঙ্গে মশাগী মবুক থজনবা !
ককচেংনা নোম্মী মতমবু ভাইদনা
কিবীরুদে নোংজু-হুংশা !
খোইমুনা খোম্মী লেপ্তনা লৈছী

ইকাইখীরুদে লৈরাং অমতা !

(৪)

ঐনা চৎপা ঐগী লম্বীদা

লৈরম লৈরম্বা অথিংবা পুম্বা—

সমুদ্র ওইরে লোইনা শিন্তোকনি

মরুভুমি ওইরে তৌথোক্কনি

ঐগী অনীংবা কনানা থিংগনি ??



# মতমগী মিৎয়েং

* * *

মিৎকুপ, পুংজা, নোংমা, চয়োল

থা কয়া, চহি কয়া, যুগ কয়া—

য়েংনা য়েংনা চৎখি মতম!

অচৌবা, অপিকপা, অসোনবা

অকনবা, মথৌনা লৈরবা কয়া —

য়েংনা য়েংনা চৎখি মতম।

মুনি, ঋষি, ভিক্ষারী, ব্রাহ্মণ

ফমনাইবা অচৌ-অশাং মশাগীতা য়েংবা —

য়েংন য়েংনা চৎখি মতম।

নিংথৌরেল কয়া মতিক মগুণ লৈরবা

মহারানী কয়া মশক মতৌ ফজরবী—

য়েংনা য়েংনা চৎথি মতম।
লায়রবা কয়াগী শোক্রবা ভেংথা
ঈনাকথুনবা কয়াগী মুংশিহৈতবা মিৎয়েং –
য়েংনা য়েংনা চৎথি মতম!
সমাজবাগী পোলিটিসান হৈশিংলবা
পণ্ডিত, জ্যোতিষ, জ্ঞান লৈরবা—
য়েংনা য়েংনা চৎথি মতম!
উজ্জয়িনী, মগধ, বিরাট, হস্তিনাপুর
মতমহুদা লৈরম্বা অকন অথোগী নত্তৌ
য়েংনা য়েংনা চৎথি মতম!

× × ×

হৌখিরা কয়া কাউগ্রবা
লাক্লিবা কয়া মিৎনা উরিবা
থিংবা ঙমদ্রবা মতমগী ঈচেলদা
ভাওথথিনি মিৎনা অমুক্তং কুপ্পদা!



# ঈয়ায়গী কোঙাল

••••••

হায়য়ু নহাক থঙবয়া—
থাবুম ভরা নাউপুরকপা ভোয়না খোম্নাং ইল্লিবা
ভয়া-চইন ভম্বীহুনা হয়ুম হায়না নাউথোম্লিবা
মাগী হাকন চঙবদা অরা' কোজায় কাউম্লিবা

ক্কোয়ৌ নেংমা চুপ্পগী শাম্নবদা মথৌ ওইরিবা
মাগী মঙৌ উরগা থম্মোয় ভনিক ভানিকপা,—
খঙম্রবদি হায়রগে,—মহাক্কুনি পিক্লিবা অঙাং !!

× × ×

হায়যু নহাক খঙবরা —

শাংকায়রবা লৈরাংগুম মায়থোং থম্বাল লূরিবা
থম্মোই হকচাং অনিমক অনৌবা ময়োন চোংলিবা
মাবু য়েংলু' থুদিংদা পেনবা কৌবা লৈত্তবা
শিংলি-পাবন থুদিংদা হুংশি ঈহৌনরকপা
থোংলে' হকচাং কায়াত্তা কামগী মমি ভারকপা,—!
খঙত্রবদি হায়রগে,—মহাকভুনি মথোক কারকপা !

X X X

হায়য়ু নহাক খঙবরা—

ঈমাংদা লেপলরবসু চিনবাললা হায়ঙমথিদবা
ঈকাই-হুংশি য়ায়না মিংলু মরি চায়বা
চেংলৌ মাগী নীংশিংনা চিনবাল' মোমোয়রিবা
য়েংবত্তনা পেঙ্লোবা থম্মোয় ঈথক হৌথিবা
উত্রবসু খোয়রাঙবা মপাউ মাগী ভানিঙবা,—
খঙত্রবদি হায়রগে,—মতুসু কোই হুংশিনবা !!

X X X

হায়য়ু নহাক খঙবরা—

থাজগী অঙ্গংবা মংালদা থোইনা হেন্না য়াহনবা
কাউগে থনবা য়াথম্না নীংশিং মরূ হুলহনবা
মিংলু অনি ইপোম হৌ খুদাং পিক্কম ত্তৈরিবা
অ-কপা চৌংম্না ভনয়াদা মদোম চিক্না কমহনবা
হুংশিবা ঈশৈ ওয়দা পুক্নিং ভাথোক ওইহনবা—

খঙত্রবদি হায়রগে,—মহুবু কৌই কায়নবা !!

× × × × × ×

হায়বু নহাক খুঁঙবরা—

শাইনোম্না নিক-নিক হাইহনা দোলাইথক্তা চৎলিবা
লেংমামবী মতারোই তুমিন্না মতুং ইল্লিবা
বাঝাই বেঙ্গুণ মখোন্দা পুক্লিং হয়াত্ত তুজুংবা
পোকচরকপা পলেম পম্মো থাপ্না হুন্দোক্লমক্লিবা
মত্তম কুইনগীদমক্তি অনোবা পলেম্না নাওকোনখিবা,
খুঙত্রবদি হায়রগে, - সহুন্দী মমিংদি লুহোংবা !!

× × × × × ×

হায়য়ু নহাক খঙবরা—

চোকথরবা মথুত্তা চৈশু পায়হনা লেপলিবা
খুইথরবা লাইবক্তা চঙণ লংনা থিল্লিবা
হকচাংগী পাজল য়াওত্রবা অঙৌবা পোল্লা য়োম্নবা
মীবু পাউতাক পীবনা মাপী মথৌ ওইরিবা
লাইগী নিংবু শোন্দুনা অরোইবা পুংজা ঙাইরিবা—
খঙত্রবদি হায়রগে ; মহাক্নি অহল হায়বন্থ

× × × ×

হায়য়ু নহাক খঙবরা—

কনাবু হম্না য়েংলমঙ মদোম তুমিন চৎখিবা
মাবু য়েংল য়েংলগা কপ্না কপ্না থাংহোবা
য়োম্নকপা চেংজেল লোইহনা মপাম লমদম পাংথিবা
তোর্ব্বানগী লৈঙোই মথক্তা অঙৌবা ফিনা কুপলিব,
থম্নায় য়াওত্রবা হকচাংবু চিত্তাগী মৈরীদা তিলহনখিবা,
খঙত্রবদি হায়রগে মহুবু কৌই অশিবা !!

হায়য়ু নহাক খঙবরা—

কনা অমনা নোক্লিবা কনা অমনা কপজিবা
মাগী মাগী রাথন্দা অমবু অমনা উদবা
অসোনদগী কাঙলুপ্পু অকনবনা ভূহৎপা
ভিক্ষারী ব্রাহ্মণ—শেঙ্গাও পায়বা লল্লৈবা
জিব-জন্তু খুদিংমক পুন্না রামিম্নরিবা,—
খঙভ্রবদি হায়রগে,—অসিবু কৌই ভাইবঙপাল !!



# মালংবদা

মম্মোইমুংগী য়ারাসে মালংবা নংনা ভব্বীরু
মুজা ওইবী মকাদা রাহৈ অসি হায়বিরু।
মুংশি মাগী মশুং লাংগী কপহৌই ভাকপিরু
লাঙভ্রবা থম্মোইগী রারী অসি লীবীরু ॥
ভামগ্রবী' মনাক্তা অমুক্তা চৎপীরু
লম্লানগ্রবী মহাক্তো করম্না লেপ্লি য়েংবীরু।
ওইনচাওবী মডোন্দা অমুক্তা নংনা পাওমেল্লু
অহৈগী থাবলদো কাওরবয়া হংবীরু ॥



## থম্নাম্মী লাইচ্ছ

পুন্সি মাগী ঈচেল্লক থম্মোই মানা নোরিবৈ
লম্পাক্কী অশংবা নাপীনক উরাউবীবু শান্নবৈ
পাৎকী থবো থাংজিংশক ছিবু ভোংনা চৎলিবৈ
নোন নোম মাল্ঙ শউল্লক ঈকা ওাবু য়েংলিবৈ
মাল্লিকা-মালতী লৈথোক্তনা কেকু লোৎপী শান্নবৈ
অনুক্কী লিক্লা মরিক্কুন ভথক্লবু মাঙথরে !

× × ×

যৌবনগী লাইজ ঈনোয়ক চান্ন' মাগী মমায়থোং
নিংথু য়ৈবী শয়্যাংলক থেৎখিবদি শমজিল্লে ;
মোইরাং লাইগী লাইগুমাং শাখিবা জগোই অথুবৈ
থেক-থেক-নৌগ-নৌ পুন্সুম তাবী মথুঙ্গেং —;
মিৎলু মরি চান্নবা ঈকাই-খুংশি য়ান্নবৈ
ওইন-ঈরা থৈতথোক্লক মিৎকী পিরাং থান্নকবৈ
কুমগী অহানবা নোংহৌম্ভম নিংঙমদনা থোথরে !

× × ×

অঙানবা কোরৌ চঙগ্রবৈ জুম্বিদাংরাইবু ওইরকবৈ
পুন্সি মগী খোংচৎনা অয়োইবা পুংজা তাইরকবৈ
সন্ধ্যা মমৈ থোম্বদা হারিনা নেং-নেং থোংলকবৈ
রানা পুঙ্গরক্লম্বা তাইবঙ চেঙজেল লোইশ্রবৈ
নীংঙমত্রবা থরাই চেক্লানা পামেল থক্তা তোংলম্মী
তাইবঙ মাবু চিংন য়েং তাইহাক জুম্মিন কপ্নম্মী
পাইথি মশা থপতুনা ছম্না মক্ত য়েংলমদে !!



# ঐগী কবিতা

• •

ঐগী কবিতা—
ঐগী শৈশক, ঐগী শুর
লাকখিগনি নোংমদি
থোক্লকখিগনি শোয়দনা।
নোংঙাল্লমদাই' লিক্লায়ক
ঈথক হৌবা থাবল্লক
তাম্নাগী মিয়ম খোঙ্কেল্লক—,
য়াম্না ঈংনা ভূমিম্না
ঐগী কবিতা লাকখিনি।
চেক্লাগী শৈরোলদা
পোম্বী শৈইনদা
থম্বালগী লৈশাত্তা
অমংবা নোংলক্তা;
খোঞ্জেলগীনা খোঞ্জেল ওই'
খোম্হোকীনা খোম্হোক ওই'
মচা থাম্লনা লাকখিনি
ঐগী কবিতা থোক্লকখিনি!
কুমগী নোংনা চামথ্রবা
অনৌবা ঊনাগা লোয়ননা
বসন্ত' য়েম্লিঙ্ মরক্তা
হৈনৌ মপালগা লোয়ননা
মোমোন মোমোন নোকতুনা
ঐগী কবিতাসু লাকখিনি।

অহুবু লাকত্রে—
ঐগী কবিতা লাক্লরোই।
পাংকী স্থংশিং মরক্তা
থারিক-থাগী লৈরক্তা
নোরেল থক্তা কম্লিডৈ
ঐনা য়ানা ডাইরিডৈ
মাদি ইনাক্তা লাক্লরোই॥
পাংপান ভোর্বান কয়াদা
লৈঙোইরক্তা নুংলক্তা
ঐদি মাবু ভাইরম্মী......
লাকত্রে.......... . !!
অহুবু নোংমাদি,
চোকথরবা হকচাংনা
নোরেলথক্তা য়াতারিডৈ
অঙানবা কোয়ো চঙশ্রডৈ
অমম্বনা শিল্লকডৈ ;
ভোল্লবা ঐগী মঙলান্দা
খোংজি-নাচিগী খোঞ্জেলনা
থম্মোই ঈথক হোহন্না
ঐগী কবিতা লাক্লম্মী
ভগ্না ঈংনা ভূমিন্না
ঐগী কবিতা খোরক্লম্মী !!



# লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা

লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা—
লঙজরুবা ইরালদা নংদি ঐবু কাউথরে
লৈবীরম্ব ঈনাক্তা নংদি মিংয়েং ভামথরে
পাঙজদ্রবা ঐহাক্কি পঙজরিবা ননাইনি
লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা ॥
কোয়ৌ নোংম' শিম্বা পাঙ নংবু মীরায়জরুরে
ভাইবঙ মাগী থুহুং ইন নংবু নীংশিংলুদরে
অয়োন-অরান থম্বীনু লাকপিয়ুদ ইবুংঙো
লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা ॥
নংগী কোলোয় শক শোন্না নংগী নপাউ ভাইবদা
পুন্সি মানা জগোই শা নংগী ভানবু থাবদা
ওইজগেনে ঈথৌদাং মিংকুপ নাহুম থুদিংদা
লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা ॥
মিংকী পি মরিক্না শেংদোকচগে নখুন্না খা
নংবু লৈরি মখঞ্জ ভগঙ্গগেকো ইনিঙ 'খা
লেঞ্জগেনে ইপুন্সি নংগী খুয়া থম্বাল খা
লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা ॥
অহিং হুংথিল অনিদা নংগী লাইশোল ঈশৈদা
লুপচখিগে ইথম্মোই নংগী থৌজাল' লাইজদা
ভোল্লবা ঐগী খোংদাকম থম্বীয়ুদা ইবুংঙো
লৈবীয়ুনে ঈনাক্তা ॥



# লিক্লা

* * * * *

ঐদি অয়ুক য়েন্দা অঙনবদা শাৎপী
লৈবাংক্তনি শিঙ্গ্যাইব কৌবী ;
সুংথিলগী সুংশা মঙালদা ৱাজরবী
থোইনা মিপাইজবীনি তনৌৱিবী ।
নাপ'চিক্লা হায়রম্বদো লাকখিগনি হায়না
লোন্না তম্লম্বদো অহিং লিক্লানা
য়েংলিবনি মাবু থূনিঙ্ কাওহনা
ঙাইহিরিবনি ঐদি ৱানা ৱানা ।

× × ×

মায়থোঙ ঈংলবা অহিং লিক্লানা
হায়রি শিঙ্গারৈ' নাপদা চঙহনা :
'করিগী খুইথরি চান্নবী তেকথৎলো
তাইবঙ পুম্বদা য়েল্লোনে ননমদো
ঐগী ঈতেংসু লৈচিলনা পাংবীরকই
নংগী নতেংসু ঐনা পাংলগে
অমগী মতেং অমনা পাং
হিংনবনি তাইবঙ কাউগনু অপঙবী ।



# নুংশিবা থিবা

* * *

চিয়োন ভৌরিবা মালংগী শউমদগী
লৈনম যেল্লিবা পোমশাৎনবী কুপ্তোসগী
ঐনা গুসি নুংশিবা থিরুই!
নোকফেৎ ভৌরিবা য়াকচিংগী গুলাপনা
মাগী ঙাংলৈনবা লৈনা হাইদোক্তুনা
ফোংদোক্তবা নুংশিবগী প্রমাণ পীয়কই !
মুগুক মুবা ঈঙাগী নোংহৌনা
অমুক অমুক মমিৎ থঙ্গুনা
নুংশিশন্নবা হায়বহু কবিনো তম্বীরকই !
উশাদা ভোংলিবা খোইনিং লাব-অমোম্না
ভোয়না ভোয়না চিল্লোক্লহুনা
লেঙদবা নুংশিবগী খূদম পীরকই !
মরু লুক্লিবা ফোগী চরোংনা
ঐবু ভপ্পা ভপ্পা কৌরক্লগা
পুন্নমকপু নুংশিযু হায়না ভাকপিয়কই ।



# ভৎলে

* *

ভৎলে ভৎলে পরেং ভৎলে
চোইনা তারে পুমচাই চাইয়ে !
নৌনা লৈরাংজরুবী নৌজরিবী মালিনী
হৈত হৈত লেংলুবী লেংলুরম্লু হৈরয়োই।
পায়রুরম্লু অমুক হম্না
লৈরাং খূদিং লৈনা কেল্লে !
কনানবু পামগনি নংগী পরেং অসিদি
মপু' কোনবু য়োদ্রিবৈঙে লৈমন হাম্না চল্লনি !
থদংলোদা থদংখ্রো
লৈরাং লৈনম য়াওদ্রেদা !
কনা 'মনা হায়রক্নি নোকম্নি নোকম্নি ভোম্বনা
নৌনা লাকপী মা'লনী কয়িনোনে অত্তাওবী—
পরেংবু অহুম লেংবরা
য়েৎতুম্বু অহুম পায়বরা ?
লৈরাং লৈশক খঙদনা পরেং লেংগে থোম্নাংবু
লৈমন শীংদা চনথ্রগা নংগী নয়াল ভইজনি
অসি রাবু তাবদা
মিৎলু অনি তরং-লাং
হায়জরকই কপ্ন কপ্না নৌনা লাকপী মালিনী
"ইবুংঙো নঙোন্দা নত্তুনা কনাদবু চঙজসিগে
চাউরবা ঐগী ইরালসে
ঙাকপীয়ু করম নিশিগে ?"



# ফংদ্রে

* *

ফংদ্রে ফংদ্রে
ফংঙ হায়নসু তম্রমদ্রে
ফংঙরোই পুন্সিগী থিজহনসু !
ফাইরবা খোঞেলনা তোয়না তোয়না
ফনা কৌজহনসু তায়রোই মাদি !
ফজরবী প্রকৃতিগী লৈকোল' চঙলুহনসু
ফংঙমদ্রবা তাইবঙগী থাগৎ-রাহে ফংহনসু
ফংঙরোই ফংঙরোই মাবুদ ফংঙরোই !
ফোংদোক্লি মাগী মগুণবুদি—
ফুগায়না শাৎপী রাকচিংগী গুলাপসু
ফজরবী নীংথিরবী শুম্মৎলবী
ফাইরেলগী শকহেনবী পূর্নিমানসু !
ফৈরামক্ত' তোংলিবী [illegible] চক্রাবু
ফাগে থল্লুবগুম [illegible]
ফিজ[illegible] হা[illegible] দা[illegible] না হৈথ্রবা নাংশিংবগী
[illegible]াংথ্রবা লম্বীদা চৎখ্রবগুম ডাইরুবগুম,
ফংদ্রে মহাকপু মকম কৈদসু !
ফংদ্রে ফংদ্রে
ফংঙ হায়নসু তম্রমদ্রে
ফংঙরোই পুন্সিগী থিজহনসু !



# লৈরাং শাৎত্রেৎ

ঐগী কৈ .কালগী লবঙ্গ লৈরাংশা
শাগৎলু জগোই থেক্লা নৌনা
করিগী শাদনি !

ঐগী হৈকোনগী মুল্লবা হৈরাংশা
হাইয়ু হুম্মু মালং ইপোমদা
করিগী হুমদনি !

লিরিবা মালয়া কাইদ কাইদ হুম্লি
খোইমুস্থু ঙংনা কোয়পাই পাইরি
য়েংউ উদয়া মহোশা' খুৎশেম্লি !

ঐগী বণগী মথা ভাংবা চেক্লাশা
খোংউ খোংউ হুংশিনা খোংক্ত
করিগী খোংদনি।

লৈকোল [illegible] দিং লৈদ[illegible] শাৎখ্রে
[illegible] ল ইন[illegible]খ্র
শাৎহৌবো মতম হেনখ্রে

হেবে[illegible] [illegible] [illegible]
তাও উশাদ[illegible] [illegible] খে [illegible]
অ[illegible] [illegible] লৈবা য়াদ্রে !

লাউ [illegible]থ [illegible]কলো লে[illegible]গন্থু লেরা[illegible]
[illegible] পুং[illegible] [illegible]াহন্না শাৎখ্রে
হে[illegible] 'লো হোগৎলো থেঙখ্রে

তাও ভুংলে[illegible] [illegible] [illegible]

চীংমুংগী ঈরাওখোল নক্লা তারক্লে
নোঙ্গৌবী ঈশৈ শক্লক্লে ।
শাৎলরোই থল্লবরা মুংশিথোইবীশা
মতম চাদ্রি খন্দুনা লোৎলিবরা
নত্রগা লোম্না কপ্লিবরা ?
পোমশাৎনবী নংস্থ শাৎলোগবা কৈদৌবগে
করিগী উনারক্তা লোৎলি তুমিন্না
মতমগী খোইমু পাইরকথিনি ।
ঐনদি পাঙ্গল শোনবনা
মতিক চাবা ঈশিং চাইবীদবনা
কংগে থুল্লবরা নপুক্লিংদা !
নত্রগা লায়রবা ঐগী লৈকোম্নুংসে
নমাল্লবী অত্তে উদে খন
হায়য়ু মুংশুক ঙ্গুংজানবরা ?
থল্লায়না পামজবা ঐগী লৈরাংশা
পুক্লিংনা পামজবা ঐগী হৈরাংশা
শাৎলোগবা মুল্লোগবা নখোয়বু
লাইজ ন্নাৎলবা ঐগী লৈরাংশিং
চাইরগে নখোওদা মিৎকী পি
শাৎলু অমুক্তা শাৎলু !
উজ্জাও কয়ানা খনখিত্নুনা
কংত্রবসু নখোয়না অহিং লিক্লা
থিকথগে ঐগী থম্মোইগী ঈরা !

× × × ×

ওঃ খুঙলে, খঙলে শাৎলরোই

মালি ঐনা হিংজরিঙৈ
ঈথুৎনা থাজবা লৈরাং শাৎলয়োই !
অঙ্গদি ফরে,
মালি ঐনা হিংলিঙৈ মতমদা
শাত্রবস্থু লৈরাং লৈহুংশি
শাৎলকউকো ভনৌ ভনৌনা
ঐগী পুন্সিনা লোইশ্রবদা !
ঐনা শেমজরম্বা লৈকোম্নুংগী
লৈরাং থরসে মতম অমদা
শাৎলকসন্থু ভেক্ত-কায়দনা !
মালি ঐগী 'থম্নায়না
নিরমগনি ইখুৎ লোম্লনা
মপু মাগী খুয়াদা
শাৎলু লৈরাং শাৎলু !



# তাইবঙ খোঙচৎ

* * *

মিৎলম থৎলম্বা থাজগী মঙালসে
লোইগ্রে হৌজিক্তি মুশি মুশিগ্রে
তোঙ্গনা পাইরম্বা নোংইন চেক্লাসু
চৎগ্রে চৎগ্রে হন্না পাইরদ্রে !
শান্তি লাইরেম্বী নীত্রা দেবীনা
অচিকপগী ফিজংনা কুপগ্রে তাইবঙ !
লাইজ ঈরোন্নুংদা তুমলম্বী থম্বা।
মিকপ থোক্তুনা মবুংঙোবু য়েংলক্লে !
থাপনা ঙাঙ্নবা চীংগী মরুমদগী
কোরো হনবনা তপনা দোল ই থৌদোরক্লে।
অমনা লোইগ্রগা অমনা শিনবা
অসিনিদো তাইবঙগী লেঙদ্রবা খোঙচ তি !



# নিজবা

* *

ফংদ্রবসু নহাকপু ইমিৎসিনা উজবা
ঙমহনবীয়ুনে ঈবুংঙো নহাকপুদি কাউদবা
তুমলে তুন্না চারে চানা নহাক্তবু থঙবা

ওয়হনবীয়ুনে ঈবুংঙো নহাক্তম্ মীংশিংবা ॥
লৈরাং পরেং লেংহুনা চোকথরবা ঈথুৎনা
ঙাইজরম্মী লাকবরা করম্বা হুমিঙা নহাক্লা
বণ উপবণ খূদিংদা উমং রাসং কয়া শাৎনা
থিজরম্মী হকচগে নঙকশমদা ঐহাক্লা ॥
কয়ামদি রাজনা ঐদি নংবু ঙাইখিবা
নং য়াওদনা পুন্সিসে করম্বু লেনখিবা
নোংজু-মুংশা মরক্তা ঐনা করম থাওখিবা
থওবীখিদে নংনদি ঐনা কয়াম কপচবা ॥
ভাউজিং হৈরাং কয়ানা মমুন কান্না মুনথরে
কুমগী নোংহৌ পরেংনা লোইবী চীংশাং থনথরে
থাপ্পা খোংবী চেক্লাগী শৈহেক শৈরোল ভাখিদরে
নংবুভবু খিহুনা ঐদি ইদোম লেপহোরে ॥
অশোমদবু লাকবরা লাপ্পা তাম্না য়েংজখি
চারগী পোরোল শত্রুনা খোঞ্জেল রাংনা কোজখি
নোং-হুংশিৎ, মরক্তা লাক্লিগত্র থজখি
লম্বী কদোম লাক্লিগবা ঐদি নংবু খিজখি ॥
লাক্লম্বর' ঈবুংঙো খেঙলবা অহিং ভাংলৌদা
খুত্তা বিনা পায়হুনা লেপ্লম্বরা খোঙ্গালদা
ভাহৌদরেদো ঐহাক্তি তুমথুন হম্না লৈহৌবদা ॥
নিজরগে অসিমক্তং পীনবীয়ুনে অরোইবদা
ঐগী পুন্সি' লিলানা ভাইবও য়াচঙলকপদা
ঈথৌ ঐগী লোইহুনা নংনা কৌশিনবীদা
থম্বীথোকো ঐবুসু নথুয়া থম্বাল থাদা ॥



# নৈচিল্লক্তা নোংজাবী

*** *

হুংশি ঈথৌ লাংলুবী
থরায় নংবু নোঙ্গৌবী
থকউ থকউ পেন্না থকউ
মিৎকী পীবু পেন্না থকউ !

× × ×

লাল্লুরবা মিৎলু অনি
কংহনথিন্নু পিগী ঈফুৎ,—

× × ×

লৈপাম্বাবু লাকথিনি
লৈরাং কয়া শাৎলথিনি
মিতারুবা কেতুকী
মাগুম্বদি উররোই·········!!

× × ×

ওঃ থম্মোয় !
নংদি রান থিদ্বোই !
লকাহুংদা লোৎথ্রবী
হুংশি মাগী শক্তমদো !

X X X

কৌবুলিয়া পাম্বীগী মরুমদা নোকমি নোকমি নভ্রগা,
বোকুল লৈরাং মখোঙদা
ঈকাই-হুংশি য়াম্মনা লেপ্লম্বদো
উররোইদবনি হন্না, লাল্লুরবনি থল্লোকউ !

শোরারেলগী জগোই শাবী মেনকানা
তথক তথক বিশ্বামিত্রগী লাইনিং থুগায়বগুম
থুগায়রম্মী নংবু তথক্রবী মহাক্না
কাউররোইদবা মায়থোং অঙৌবীহ উত্তুনা।
নংদি থিরি, মাবু কৌরি হৌনা হৌনা,—
মচু তরেৎকী চুমথাঙনা ঙাইহাক উৎলম্লগা মাঙখিব
মাঙথ্রবা মুর্ত্তীবু নংদি কপ্পা কপ্পা থিরি!
ওঃ মাংথ্রসনু।
তামথ্রবী চেংলৌনি—কায়থ্রবা মুর্ত্তিনি;
অকায়বা মুর্ত্তিদা হৈথরসি
পীগী গঙ্গা জমুনা।
শম্লাং ময়াম্না মায়থোং খুমহনা
লেপ্পররোই ঙসিদি;
সুংশিবগী খুৎশা চাম্ম-চাম্মনা
চিংশিল্লরোই নৌনা অমুক ঙসিদি!
কাউঙমদ্রবা পুক্লিং—
নতোমতা ফাজিনজো।
নীংঙমদ্রবা থম্মোয়—
নতোমতা থেমজিনজৌ!
শন্দোকলুহু কনাদা মাগী মিংহু!

× ⊠ ×

অঙ্গবু,
কাউরোই হায়বা য়াদেদো—
মরাইবক থীরবা মিৎলু অনিগী
অহানবা মিৎয়েংফম মক্তদা

লাইমণ মথাক পুহৌরবা থম্মোক্লী
অহানবা রাথনগী মিংশেন্দ্রা
উরিদো ঙসিস্থ লেপ্লিবসে নোকম্নি নোকম্নি—
"মত্তম অমগী অঙৌবী মায়থোং ॥



## য়াচঙবদা

***

তারমদাই' কোরো মশেল্লা
নোংচুপ চীংয়া ঙাঙ্রানথ্রে ।
চাক্তারুবা পোম্বী চেল্লী
মহুম মায়কৈ পাংলল্লে ।
ঈয়ায়দা পাংশী থম্বালনা
হুংশাথিনা য়েংলল্লে ।
হুমিদাং কোয়বা মাঙাংথঙ্গু
ভপ্না দোলাই খৌদোঙল্লে ।
অচিকপগী ফিজং 'হুংদা
হায়ৌনা তাম্হা শীরল্লে ।
অথাপ্পা খুন্দোন কাচিন্দা
কাংশি খোজেল ভারল্লে ।
মাঙপ্রবা খৌদোক কয়াস্থু
অমমমত্তা ওইনা লেপ্লরে মাঙদা ॥

হৌখ্রবা মাঙগী য়াম্নীশু
হৌনহ্ননা. লাক্লে তুমিন তুমিন।

মতম ঈচেল মানদি
কনাবু য়েংলমদে হন্না মক্তা

য়াচঙথিবা ঙসিগী অয়ুকসে
হয়েংগী অয়ুক্লা শিল্লরনি।

হয়েংগী য়াচঙলকপদা
ঙসিগুম হায়ৌনা খোংলথিনি

খুন্দোনগী কংশি তারকথিনি
হুমিদাংগী মালংবা কোম্লরকথিনি।

মীওইবগী পূন্সিনা য়াচঙপ্রবদা
মুংঙাইথিবা যৌবণ লাক্লরোই!

মকম খুদিং উরম্বা
তাইবঙ মিৎয়েং শামগনি!

গোষ্ঠবিহারী